# লৈ কংলুরা থাং কংলুরা

## ꯂꯩ ꯀꯪꯂꯨꯔꯥ ꯊꯥꯡ ꯀꯪꯂꯨꯔꯥ

সনাতন হাঁমোম



CamScanner



হামোম পাব্লিকেশন কৌবা মশাগী ওইবা প্রকাশনা সংস্থা অমা সনাতন হামোমগী লৈজে তৌইগুম্বসুং ফোংবা ঙমবগী পাম্নে অদুমক হৌজিক হৌজিক ওয়ানা থোকপগী মরমদগী মহাকনা মহাক্কী লাইরিক অসি ফোংবিনবা য়াম্না তোয়না ওয়ানোম্মি। মহাক্ক নোংমগী তত্তনা ইবা লেপ্তবগী মওংসি উরুরগা ঐখোয় খরা ফমিন্নরগা 'মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ' লুপ অসি লিঙখৎপনি। ইথোকপগা ফোংবা ঙমবগা লৈনরিবা মরি অসি ফগৎনবা হোৎনবগীদমক লুপ অসি খংপ্রেক খংনা চোংথোকপনি। মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ-না সনাতন হামোম'গী "লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা" কৌবা শৈরেং লাইরিক অসিনা অহানবা ফোংবা লাইরিকনি। অইবা অতৈনসু মতিক চাবা পান্ডুলিপি পিবিরক্লবদি মদু ফোংবগী ঐখোয়না থৌরাং লৌজগে খঙরি।

মণিপুরী ভাষা গবেষণা ও উন্নয়ন সংস্থা, সিলেট কী জয়েন্ট সেক্রেটারী ওইনা মণিপুরী লোনগী স্কুল হাংবগী মতাংদা য়াম্না থওয়াই য়াওনা চেন চোংবা মতমদা ফাওরকখিবা - ইমারোলবু ঙমখে লৈতনা নুংশিবগী ইফুৎ ময়াম পুনমক শৈরেং ওইনা থোকলকখি । ইমালোন অমসুং ইজাতি নুংশিবগী খুদম ওইনা "লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা" কৌবা সনাতন হামোম'গী তরেৎশুবা শৈরেং লাইরিক অসি ময়াম্না পাবিনবা অমসুং নৈনবিনবা নোলুক্লা ময়ামগী মফমদা শিন্নজরি।

খোইরোম ইন্দ্রজিৎ
প্রেসিডেন্ট
মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ
আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার

ISBN : 978-984-33-5924-7

# লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা

সনাতন হামোম

**মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ**
আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ মৌলভীবাজার

# লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা

সনাতন হামোম

**অহানবা ফোংবা**

জননেতা কবি হিজম ইরাবত নিংশিং নুমিৎ ৩০ সেপ্টেম্বর ২০১২ খ্রিঃ

**মখুম**

এন যোগেশ্বর অপু

©

ঐশী হামোম অমসুং সাগর হামোম

**অফোংবা**

মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ। প্রধান কার্যালয়- আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার।

Email : mwf@gmail.com

Mobile : 0088-01712-151097

**নম্বা**

রিলায়্যাবল প্রিন্টার্স

৭৬ আরামবাগ, মতিঝিল, ঢাকা-১০০০, ফোন ঃ ৭১৯২৩০২

**মমল**

বাংলাদেশ ২০০ টাকা

ইন্ডিয়া-১৮০ রুপী

অতৈ দেশতা-ডলার ৪ (মরি)

**ISBN : 978-984-33-5924-7**

Lei Katlura Thang Katlura by Sonaton Hamom

CamScanner

# কৎচবা

মলেমসিদা শান্তিবু করম্না পুরকপা হৌনৈ হায়বদু
খুদোম্বী থিন্দুনা তাকপিরিবা
কবি ইরোম চনু শর্মিলা
অমসুং
মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপানদা
মণিপুরী সাহিত্যবু করম্না চাউখৎহনশি,
ইজাতি ইমালোন করম্না কনশি ঙাকশি হায়দুনা
থওয়ায় হকচাং চংনা হোৎনবিরিবা
কবি শরৎচান্দ থিয়াম
মখোয় অনিগী মফমদা
থম্মোয়গী
শেংলবা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎচরি।

CamScanner

## য়াওরিবা শৈরেং


ওয়ারৌগনুকো মনোরমা ৯
মতৌ উবদা ১০
কেনখ্রবা মঙ ১১
মীতৈ লমবোয়বগী ওয়ারী ১২
থওয়ানদা নোঙ চুহননিংঙি ১৩
ময়োক্লবা ১৪
নোংমা ঐনা উজরকপা হামোমখুল ১৫-১৬
অওয়াবা ১৭
য়েৎনবা অহিং ১৮
থুগাইনা য়েংঙু নমোন্দো ১৯
ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি ২০
মতমগী ওয়াখল ২১-২২
রানী ফিদুপ ২৩
অরুমহৌগে খলি-বরা ২৪
ঐবু মীনি খনবিদ্রে ২৫
মৈরা মরক্তা ইপোম ২৬
চিংনবা ২৭
লৈরাং নঙবু করম্বা মীতাংবগীনো ২৮
ঐগী শৈরেং ২৯
নোংমতং উনিংখ্রে ৩০
নিঙোল চরোংদো উখিদ্রে ৩১
খুৎ শোক্লবা ৩২
ইমালোনগী খোল-াও ৩৩
মীতৈ ময়েক তমহৌশি ৩৪
ইমালোন তমশি, নুংশিশি ৩৫
মীতৈ ময়েক তমলশি ৩৬
ইমাদি ইমানি ৩৭
কংলৈচা ঐদি মীতৈনি, মণিপুরীনি ৩৮
লাইরম লম্বী খঙজনশি ৩৯
নোঙ্গরিবনি থৌদাবা নত্তে ৪০
নুপীলান নত্তে, ইমালান অমগী মথৌনি ৪১-৪২
মলেমশিংনা শাৎলনশি ৪৩
মীতৈ ময়েক শন্দোকশি ৪৪
লৈশেম জগোয় শারশি ৪৫
৪৬ কুনগ্না মাথোয়গী লোইরমদায়দা
৪৭ ইমাগী হৌরকফম খংজনশি
৪৮ ইমা মণিপুরদি উনিংঙিদা
৪৯ ভানুগাছকি অতিয়াদা
৫০ ইমাবু উবা ফংলরোইদ্রা
৫১ চে খুনগৎপী নুপী মচা অদো
৫২ শৈরেং অমতং ইজগে খনবনি
৫৩ ইমা নঙ কপকনু
৫৪ নুংশিবী ইমা
৫৫-৫৬ থম্মোয়নুংদা ইরাৎনরে
৫৭ মসীবু মীতৈ ঐখোয়গী থৌনারা ?
৫৮ লান
৫৯ মসিনা ঐখোয়গী হরাওনিঙাইনি
৬০ মদুবু নুংশিবা কৌব্রা ?
৬১ তুংশিন্না লৈবা নোঙ
৬২ নঙবু নুংশিজরুবা ঐদি
৬৩ নোঙ, নুংশিৎ, মৈ
৬৪ ঙায়জবা
৬৫ নঙগীদমক্নি
৬৬ ইমা মণিপুরদা
৬৭ থম্মোয়নুংদা চাক্লিবা মৈ
৬৮ ঙরাংতা ওয়াশক্লবদুবু
৬৯ অরেম্বদা থওয়ায় হকচাং চাকচখিনি
৭০ পোকপা-শিবা
৭১ তাইবংপান্দা পেনজহৌ
৭২ ঐদি বনবাসতা চৎলবনি
৭৩ হাৎপগী পাও ইররোয় অতৈ
৭৪ ঐগী শৈরেং-০২
৭৫ কবি
৭৬ তোম্বীগী মীনোক
৭৭ অঙ্গোক্লা পেনদেদা মনোরমা
৭৮ ইমালোন ঙাংবা হৈতবদুবু
৭৯ তুংগী লম্বী ওইজহৌ
৮০ লৈ কৎলুরা নত্রগা থাং কৎলুরা


CamScanner

## শৈরেংবগী ওয়ারোল

ইমালোন ইজাতি কনসি ঙাকসি খন্দুনতা ইজখিবা
শৈরেং মশিং য়াম্মনখিবদা মসিদি লাইরিক অমা ওইনা
মীয়ামদা পুথোকপা য়ারগনি খন্দুনা ফোংজবা
ঐগী তরেৎশুবা শৈরেং লাইরিক "লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা" নি।

লোন্না ইমানি, ময়েক্কা ইপানি ।
ইমালোন অমসুং ইমা মণিপুরবু নুংশিজরুবদগী
লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা মীংথোন থোল্লগা
শৈরেং ময়ামসে লাইরিক ওইনা ময়ামদা কৎথোকচরি।

মীরোল মরক্তা হিংনা লৈবা তাখিবনা
লাইবক ফত্তবনি হায়গদ্রা খংদে
ইমালোনদি ইরোল শুনা খংদবনা
অশোয় অরান য়াওরমগনি
য়াওরি খঙ-খঙনা খঙদবনা অওয়াবা ওইখ্রে।
ওয়ারৌবা তৌবিগনু
খঙদবা ঐসু ইমাগী সেবা তৌনিংবনা
মণিপুরী সাহিত্যগী লৌমী অমা ওইনা অসুম হোৎনজবনি।

CS CamScanner

## শৈরেংবগী ফোংথ্রবা লাইরিকশিং

কল্পবধূ- ১৯৮৮
ইপ্সিত বাসনা- ১৯৮৯
লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং- ২০০০
থওয়ায়গী নুংশিরৈ- ২০০৪
মঙ মরক্তা- ২০০৬
ভালোবাসার কাব্য- ২০০৯

## সম্পাদনা লাইরিকশিং

প্রয়াস
ইপোম
অয়ুক
উদ্ভব
ছন্দে ছন্দে

CamScanner

## ওয়ারৌগনুকো মনোরমা
(মনোরমাগী খুয়াখাদা)

কোক্কী শিংলি মরক্তা তাশন্না লৈরে পেলহৌদবগী মনিন
নুঙাইতবগী মনিন
কপখোংবগী অওযাবা মনিন
থম্মোয় কায়রবা মনিন খোংলি অওয়াং নোংপোক্কী চিংদা তমদা
ঐবু পোকপিবা ইমা মণিপুরদা।

তমথিরবা ক্ষমতাগী শাংলবা খুৎশা
মীনুংশি য়াওদ্রবা হিংচাবা কয়ানা
নিংতমববু পুয়া মৈ থাবগুম অমুক থাদোকপিরে
মীতৈ মশক খংদ্রবা, ইপুধৌ মশক খংদ্রবা
হিংচা য়ায়তম খরদু চীনফাও ওইনা উরি য়েংলুবা খুদিংদা।

হিংনবগী প্রটেষ্টলোন কয়া হৌজিকসু
অতিয়াদা পায়না লৈরী
ঐখোয়গী নাকোংদা তৎতনা য়ৈরবী অশিবগী মাংগঙ
ঐনা হায়বা থাজৌকো মনোরমা-
লাইশোন লোন নত্তে, শৈরেং লোনসু নত্তে
ঐগী ঙমজবা মীনুংশি খরা হৌজিকসু
মণিপুরগী অতিয়া মলেম কোয়শন্দুনা
হৈরবা খুৎশেম কয়া শিংদুনা নঙগী অওয়াবা কনগে শঙলি।

অদুনা ওয়ারৌগদুকো মনোরমা-
নঙগীদমক নোংমতং ওইরবসু মীহাৎপা ওইজগে
ঙাইজরিবা নুমিৎ অদুগী অয়ুক ঙন্তাদা
ইম্ফলদা লৈরমগনি খনজবা নঙগী নিংশিং ফুরাদা
লৈ মনা অমতং ওইরবসু কৎচগে, খুরমজগে।

২১-০৭-২০০৪

## মতৌ উবদা

নোকনিঙনা নোকপা নত্তে, মতৌ-নতৌ উবদা
নোকতুনা ওয়াম্থখিবা খঙহৌদে
পীরাং তৈথোকলুরগা য়েংলুবদদি
মুশিক মুরবা তাইবংসে শংবানরম্মি।

ঙাত্তত্রংনরবা নঙগী শক্তম
অওয়াবা কয়াগী চৈফু চারবগুম
অচিনবা নংনবগী চেনখিবা
করি অহেনবগীনো চিংনহৌই ইদোমতা
খন্থরুরগা লম্বি তিন্নবগুম্না উবদা
স্বর মপি হোনখিবা খংহৌদে।

০৮-০৮-২০০৪



CamScanner

## কেনখ্রবা মঙ

উ-ওয়াগী মনা কেনবগুম কেনখ্রে ঐগী মঙ
মশিং লৈতনা কেনখ্রে, মঙগুম থাজবা মঙ
খা-আওয়াং, নোংচুক-নোংপোক মায়কৈ পুন্নামক
ইমিৎশিনা য়েংলুবা মায়কৈ মরিমক্তগী কিনথরক্লুনা কেনখ্রে
ইশিং ইচাওরক্লুবা তুরেল ফিবালগুম।

নোঙ চবুন চবুন পায়শল-কলে, অতিয়াশি নিকলে
করিনো ওইরিবসে করি ওইগদবনো খনবদা অওয়াবা
ঐগীদি হৌজিক থাজবা পুন্নামক পায়খ্রে, কেনখ্রে
অমম-অঙালগী মনুংদা খোংচৎ নাইদনা চৎলিবা
ঐগী লম্বী পন্থুংফম য়ৌদ্রিঙৈদনা তোয়-তোয়না খুদিরে
য়েংলুবা খুদিং কেনখ্রে
কিন্থদুনা কেনখ্রে উরোকথোং, থোং মচা, থোং পাকা
খোংজোম লানগুম্না কেনখ্রবা ঐগী মঙ
নুপীলান, অওয়া লানগুম্না কেনখ্রবা ঐগী মঙ
অমামম কেনখ্রবা ঐগী মঙ নিংশিংনা হিংবা নওনা তৌনিঙাই কৈসু লৈত্রে।

২০-০৮-২০০৪



CamScanner

## মীতৈ লমবোয়বগী ওয়ারী

কয়াতা লম হেনখ্রবনো য়েংঙু
ঐগী লাইশং মাঙদা
ক্লিউপেট্রাগী ছবি থেৎচল-ম্মি
নুপী থিদনা লম্বোয়রিবা ঐবু
খাঙবা হৈখ্রবা ঐবু মশক ইখঙ খঙদনা
ঙাওহনগে হোৎনরিবা নত্রো ?

কয়াতা লমচৎ ফৎত্রিবনো য়েংঙু
ঐগী চাকলুকমাঙদগী খুজাই হুরানখিরমলে
ইরুজরিঙৈদা লুংগী অমা থনম্-গা
খুদৈসু হুরানখিরমলে
ঐবু জাৎ মাঙহনগে হোৎনবা নত্রো ?

সনামহি লাইশংসু শানরকলে
গীর্জা শাগেরা শাজৌ
মসজিদ শাগেরা শাজৌ
প্যাগোডা শাগেরা শাজৌ
ঐদি নখোয়গী নতৌ য়েংবদা ওয়াজরে
ওয়াখল পুখন মান্নররোয় খন্দুনা লম্বোয়জরবনি ।

২১-০৮-২০০৪

# থওয়ানদা নোঙ চুহননিংঙি

থওয়ানদা নোঙ চুহননিংঙি, মীওইবগী থম্মোয়নুংদসু চুহননিংঙি
ওয়াখল পুখনদা নোঙ চুখ্রসনু
কিস্থরক্লসনু অতিয়া থন্না নোঙ
চাক্লবা থওয়ায় কয়া ইংথখ্রসনু
অওয়াবা কয়া কোকলসনু
তাইবংগী অমোৎপা, নমথিবা, অমাঙবা কয়া কোকলসনু
য়েক্লবা, খৎনবা, য়েংথিনবা কয়া কোকলসনু
চুখ্রসনু নোঙ লেপ্তনা।

ইশিং ইচাওরকখ্রসনু মায়কৈ মরি মলেম শিৎনা
তুরেল, খোংবাল, লবুক-লমজাই পুংথন থনখ্রসনু ইশিংনা
ইচুমতাবি, য়েনখা, থোংগাল, ইংখোল থনখ্রসনু।
নুংথিলগী ঙহাক কেজরুরবী
লোংজম লৈকায়গী মৌ-নহা চরোং চরোং
ইচাওরকপদা হরাওদুনা চেনথোরক্লসনু থোইবী ইন পাইরদুনা
অঙাং পুন্নামক হরাওদুনা ইরোয়হৌরসনু থওয়ানগী নোঙদা।

থওয়ানদা নোঙ চুহননিংঙি, চুখ্রসনু নোঙ লেপ্তনা
লাইচৌনা হিংলিবা হকচাং পুন্নামক লৈনা কোকখ্রসনু
ফত্তা-হৌদি পুন্নামক ইচাওরকপদা তাওখ্রসনু থওয়ানগী নোঙদা।

২৩-০৮-২০০৪

## ময়োক্লবা

জয় শ্রীকৃষ্ণ হায়রদুনা ঐনা হেক যাত্রা তৌবদা
যীশুগী মচা-মশু শারদুনা
চংশল-কপা মীতৈমচা খরা হেক উনৈ
খঙহৌদনা ঐনা হেক হঙখি
ঙরাংতা জয়দেব চোংমিন্নারম্বা নখোয়বু
ঙসি করম্না যীশুগী মচা-মশু ওইখিবনো ?
লমহেনখ্রবা পাখং মচা অমখল্লা খুমকখি-
ঐখোয় ময়ামসে ওজা,
ইমাগী পুক্লুংদা লৈরিঙৈদা পুন্না
ঙসিদগী যীশু খৃষ্টগী মচা-মশু ওইরুরসি ওয়াশক্লখিবনী
ফাগী ওইনা খঙহৌদনা অমুক ঐনা হঙখি-
নখোয়বু ওয়াশক্লবা মতমদা থাং চিক্লহৌব্রা ?
থাং চিক্লদনা ওয়াশক্লবনি হায়রকপদুগা
ঐনামুক হায়খি-
থাং চিক্লদ্রবদি নুংশিবা খাংদবনি
থাং য়াওদ্রবদি কানবা ওইদবনি
নুংশিবা য়াওদনা নঙগী ধর্ম করম্না ওইগনি ।

২৩-০৮-২০০৪

# নোংমা ঐনা উজরকপা হামোমখুল

ঙসিদি অতিয়াসিদা ফন্দোরকলে
মহৌশাগী ময়ুর মশা
পুমঙান ঙালে- হামোম শাগৈগী হামোমখুল
রাবার বাগানগী মথক্তা
নোং চবুন চবুন ফুনরম্বদো পায়খিরমলে
অঙকপা হরাওবগা লোয়ননা
কোকিল মতৈ-মনাও অমা ফমলরে
মহাদেব চিংদোঙগী বট মশাদা
ঐজ্ঞা কাতক্কী মান্দোপ মতোন্দা ফমলরে
লমখুনু চরোং চরোং
অপনবা লম্বী কয়া নমখায়দুনা
থা তরেৎ মতুংদা ময়ুমদা হল-কলে
ইপু চাউবা-গী মচা নুপা
লাইরিক্তা ঙাওজবা কবি সনাতন হামোম,
ঢাকাদগী শৈরেং লাইরিক ফোংলদুনা
হরাও হরাও ময়ুমদা হল-কলে
খুঞ্জাগী মীওইশিংনা উরুরগদি
রাস পূর্ণিমা মতম য়ৌরকলবনি হায়নরে।

ঙসিদি হামোমখুলগী অতিয়াসে পুমঙান ঙালে-
য়েংবদা থম্মোয় হুখ্রে, পেলে-
মীতৈ সমাজ অসিবু করম্মা কনসি, হিংহনসি
কদায়দা করি শোয়খিবা
কদায়দা করি তৌফম লৈরিবা
করম্মা ফজহনবা য়াবগে খন্দুনা তানরম্বা
লৈবাকসিগী থৌবুরেনগুমলবা
হামোমগী কাকা গোপাল অমসুং
হামোমগী কাকা তনুবাবু
মখোয়নিনা হৌগৎলগে হেক তৌবদা
কাকা গোপালগী মচা নুপা কবি হামোম প্রমোদসু
লাইরিক নম্বো অমা পোরদুনা ময়ুমদা চংশল-কলে,

পাও তারদুনা নোংপাক চীঙদগী
মপালগী উচেক চরোং চরোং অতিয়া থন্না পায়শল-কলে
লোয়ননা উচেক টেনা চরোং অমসু
ইশৈ শক্তুনা কোয়নিল নিল-দুনা
হরাও হরাও পায়রকলে
ইপু চাউবা-গী জোংচাক পাম্বী পুন্নামক পুংথন থনখ্রে
ইমিৎমক্লা উজহৌবা ঙসিগী হামোমখুলসে
লৈহাও লৈনম্মা পুংশন শন্দোকখ্রে ।

২৪-০৮-২০০৪

## অওয়াবা

লম্বিদা লেপলগা লম্বি থিরিবা
মীৎ লৈনা লৈনা মীতাংবা
লমচৎ লৈতবনা শাজৎ হৈতবা
মাংবদা অমাঙবা ওনখ্রবা হকচাং অদুগা
য়ু-শংগোম-খোহি মহিনা
ইতিন তিন্নরিবা ঈ পঙথখ্রে,
মীৎতা তন্দন পায়রে
উনা উনা উখিদ্রে তন্থবনা মপাঙ্গল নমথখ্রে
লবুক-লমজাই চিংখাইবগুম্না কায়থরক্লে
চৎকদবা লম্বি হৌজিকতি কদাইদনো ?

থাজবা লৈত্রবা থম্মোয়
ফঙখিবা অমসুং ফঙহৌদবগী নুংশাশ্বর
ফঙখিবনা মাঙখিবা, মাঙখিবনা লৈরকত্রবদা
মতমনা হৌখ্রবদা তৌনিঙাই লৈত্রবগুম অওয়াবনি ।

২৬-০৮-২০০৪

## য়েৎনবা অহিং

ইশিংনা নিক নিক থল-বা লবুক-লমজাই
চরুখোক ওয়া মতেক উতুপ-ওয়াতুপ
পুখ্রিদা হিংজবা ইকায়থবীসু মপুন মচেৎ মচেৎ তাওরকলে
ইয়েৎ য়েৎনরে।

থেংলবা অহিংদা হরাওনরে লিন কাং
অকিবনা হুই-লমহুই তিন্নখ্রে চিঙদোন্দা
শঙগোলদা পুলি-বা ষণ-ইরোই ঙক্লরে
ইমুং মনুংদা অমম্বনা
ইয়েৎ য়েৎনরে।

মনিং লৈকায়দা কপ্পবা মনিন তারদুনা য়েংলুবদদি
ইশিং ইচাওরকপদা লিন্না চিকপা ওইরম্মে-
চেনফম খঙদ্রদুনা য়ুম লাই খুরম্নারমলে
ধুপ প্রতিত থারদুনা হৈরাং লৈরাং কৎপা উবদা
লাইজ ইমানা পেনমনখিদুনা মেরা থাগুম্না পুমঙান ঙালহনখি।

৩০-০৮-২০০৪

# থুগাইনা য়েংঙু নমোন্দো

পোঙথোক্লা লৈনা করিমতা কানরোয়
থুগাইনা য়েংঙু নমোন্দা,
হায়গৎনা চৎপা, তুং মাং য়েংদবা
ঐনমক হেলে- খম্বা
মীনদি ইথা থানদবা
শোয়খ্রসু শোয়দে হায়বা
ঐনামক চুম্মে হায়শন্নবা
নোংমগী তৎতনা অরান অশোয় তৌনা লৈরগা
মীবুদি ইথা থানদবদো
ঙসিদি করম তৌই য়েংঙু, খঙঙু।

চাওথোক পোঙথোক্লা করিমত্তা কানরোয়
নশাবু নশানা হংঙু
থুগাইনা য়েংঙু নমোন্দো
য়েংজহৌ, খঙজহৌ
খৎনবা থিবদি নঙতনি, খৎনহনবসু নঙতনি।

০১-০৯-২০০৪

# ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি

অওয়াবগী মৈচাক্লা চাক্লবা কোম্ফুৎতা পুৎথদুনা
নোংমগী তৎতনা নুংশাশ্বর হোলি-বা ঐদি
মীয়ামগা লমজেল তানবদা তুংওইদুনতা লৈরে,
হিংনবা হোৎনজবদি লেপতবনা
নৌনমুক কোকতা লৌশিং ময়োল হুল-কলে,
থম্মোয় হুখ্রবা অতিয়াদা
নোঙ মপৈ মপৈ উরুবদা
নোঙ মপৈ ওইনা পায়নিংঙুরে।
কয়ানি অওয়াবগা শিংননা লৈখিসি হায়বনো
ঙহাক পোৎথারুশি শাবী ইবেম্মা
য়ারবদি চেক্লাগুম্না ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি।
মপু ইবুঙোনা অতম্বা অওয়াবা লৈতনা
শেম্বিখিবা মলেমসে অম্ব্লোক্লা ফজৈদা
অম্ব্লোক্লা নিংথিজখ্রবা শংব্রানরবা অতিয়াসে
নোঙ মসেন্তা অমনা অমবু নুংশিনবা উরুরগা
নোঙ ওইনা পায়নিংঙুরে
নোঙ মরক্তা নোঙ ওইদুনা
য়ারবদি ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি।
তাইবংগী অওয়াবা পুম্নামক নিকথনা থনমশি
মকা ফন্না নোঙগুম্না জগোয় শারুশি,
নোঙরক্কী তরু তরুরবা ইশিংনা নিক নিক থল-বা পুখ্রিদুগা
ইরুপচরগা অওয়াবা কোকথোকলুসিনা
ঙহাক পায়রুরশি শাবী ইবেম্মা
য়ারবদি চেক্লাগুম্না ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি।
ইমা লাইরেম্বীনা থওয়ায় চংনা মখুৎমল্লা শেম শাবিরম্বা
চীঙ চীঙনুংগী মরক্তা সনা মচুনা পীচ হৈবিরম্বা লম্বী
মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী শামু লমশা তোঙলগা
অতিয়া শম্নরিবা নোঙরক্কী রিসোর্চ কাদা হুপলগা
ঙহাক্তং পোৎথারুশিনা শাবী ইবেম্মা
য়ারবদি চেক্লাগুম্না ঙহাক মাঙলুসিনা ঐখোয়নি।

০২-০৯-২০০৪

## মতমগী ওয়াখল

শিরুম্নবা উ-ওয়াগী য়েনিং হুল-কলে
মকা ফন্না হৌরকলে
বসন্ত মপুং ফারে
কুথাপ থিবা য়ারে
লুহোং পম্বা য়ৌরে।

শারিবা নুংশা মৈশামনি
থওয়ায় হকচাং চাকপনি
মওং মতৌ ফজদে
থবক থনা তনফদে।

লাই তিন হরাওরে
অকিবা চৈনা ফুররে
শজিবু কালেন য়ৌরকলে
চৈরাওবা মতম য়ৌরকলে
শাবী শানৌ হরাওনরে
লিকোন মনিন য়ৈররে।

নোঙজু থা লাকলরে
নোঙ চবুন চবুন পায়রকলে
অনা-অয়েক পায়খ্রগনি
অওয়াবা কয়া কোকলগনি।

কদম মপাল শাৎলরে
লৈহাও লৈনম নুংশিরে
লবুক্তা লৌগী লৈকা ফন্না শাৎলকলে
শাগৈ নাতৈ তিন্নরকলে
তর্পন কৎপা মতম য়ৌরকলে।

রাসপূর্ণিমাগী মতম য়ৌরকলে
ঐজ্ঞা সানাঠাকুরগী মান্ডোপতা মীয়াম কানরকলে



CamScanner

মিটিং মীফম ফমনখ্রে
পুকচেল মান্নরমদবদুবু মীয়াম্না থেমজিনবিখ্রে ।

প্যান্ডেল শাবা অমুক হৌখ্রে
ছুটি লৌদুনা সনাতন হামোমসু লাকখ্রে
লাইরিক নম্বো অমা পুরকলে
ইপোম, মৈরা য়াওরকলে
বুক ষ্টলগী থৌরাং লোইখ্রে ।

তনু-গোপাল মচিন-মনাও ফম্বিনখ্রে
অমনা অমবু মীখৎ তৌনরে
মীয়াম্না হায়নরে
জগোয় হৌবা মতম য়ৌরকলে
রাসপূর্ণিমা মপুং ফারকলে ।

০৪-০৯-২০০৪

## রানী ফিদুপ

বসন্ত কয়া হৌখিনি - লাকখিনি
ঐগীদি ঙসি কোকথক্তা
বসন্ত অমা তোঙনা লৈররে,
রানী ফিদুপ অমা পায়না লৈররে
লৈ মচুনি, লৈগী লৈঙাক্তনি।

লাইবক্তা চন্দন
নাতোন্দা চন্দন
চপ হেক চানা মীতৈ নিঙোল মাল-ী,
নিংথিজখ্রবা শক্তমনি
চেনশল-গা মনাকোংদা
নুংশিজৈ হায়রুবা য়ারবা শবান্নি।

মীনুংশি অমা ওইনা নুংশিবা য়ারবা
রানী ফিদুপ ইলি-বী নিঙোল অদো
ঐনা ঙক্লা পঙশলি-ঙৈদা
রানী ফিদুপ অদো
পায়থরতুনা ঐখোয় অনিবু খুমজন্দুনা লৈরম্মী।

০৫-০৯-২০০৪

## অরুমহৌগে খলি-বরা

ইঙান ঙালি-ঙৈদা খঙহৌদনা কদাইদগী নোঙ মপৈ মপৈ পায়রকতুনা তাইবংসে ইমম মমশিননখ্রে । য়েংলূবা খুদিংমক্তা নোঙ । নোঙগী নোঙঙক্তা । চেনফম লৈতবা ফিবম । নোঙ পামদবা কনানো ? ঐসু পাম্মী । মতম চাদনা মমশিল-কপসে অকিবা ফিবম ওইরে । থওয়ান্দা নোঙ তাবদা লৌয়ু-শিংয়ুবগীদি কানৈ । মতমনিনা কনাসু ঙকনদে । নোঙ খৌরাংদুনসু ঙাইনা লৈনৈ । নঙদি কনানো ঙাইরিবা ? নোঙনা মমশিল-কপদা নঙনা ঙানথোরকপদো ঐ নত্তনা কনাসু উখিদে । নোঙজু থাদা নোঙ মরক্তা চোৎলু । লৌ-শিং ফবগুম্না হকচাং ফবনি । মতমচাদনা নঙনা চোৎকে খলি-বদো অরুম হৌগে খলি-ব্রা?

০৯-০৯-২০০৪



CamScanner

# ঐবু মীনি খনবিদ্রে

লৈত লৈতবদগী পুম্নামক মাংখিবনা
করিমত্তা লৈরকত্রে
অমামম লঙথোকপিদুনা চৎখিবদগী
ঐগী হায়বদু ঐ নত্তনা
করিমত্তা লৈরমদ্রে
কোক্কী শিংলি মরক্তা তুংশন্না লৈবা ঐগী অওয়াবা
কনানসু উবিদ্রে
পেলহৌদবগী ওয়ারৌবা ঈ মরিদা
তুংশন্না লৈবা নিংশিং মমিদি
মমিৎ কোয়চেন চেন্দুনা য়েংদুনা লৈরে
ঐদি ইঙান ঙান্না উই ।

লৈরকত্রবদা ওয়ারকলবদা
তাইবংসিনা ঐবু মীনি খনবিদ্রে ।

০৪-১০-২০০৪

# মৈরা মরক্তা ইপোম

(ঐগী মরূপ প্রহলাদ-শ্যামল-হেমন্ত-সুখময় অমসুং প্রদীপ মখোয়গী মফমদা)

পোক্লফমদি ভানুগাছ লৈবাকতনী
আদমপুরদা পোৎথাফমনি মখোয়গী
নুমিৎ পুম্বমা থবক-থনা শুরুবগী মতুংদা
অওয়া কোকনবা থৌরাং লৌদুনা লৈরম্মী
মরুপ-মপিজানা থোয়দোক হেন্দোক্লা
নুংশিবিরিবা কবিঙক্তনি মখোয়দি ।
চুরুপ মৈখু মরক্তা
কবিশিংনা ওয়ারী য়েৎননা লৈরম্মী
রবীন্দ্র বলয় লানথোকতুনা
একে শেরাম্ন চহি কুনথ্রামুক হোৎনজনা
থোনখিবা সড়কতা
লমজেল তান্নবগী ফিবমদা
অনৌবা খোঞ্জেল অমা খোঙলদুনা লৈরম্মী,
শেরামগা লোয়নবা কবি অমখক্লা হায়রকখি
লমজেল তানৌ অদুবু লম্বীদি পুল-প্ল চৎমিনশি
নোঙলৈ নুংশিৎ ওইনসু
মৈখু মরক্তা পায়রকখি
দ্বিপান্বীতা, মৈরা অমসুং ইপোম ।
ইমালোন্না ঐগীদি ইমা শকপনি ওয়ারেপ্পরগসু
অতৈ খরনমুক হায়রকখি
হিংনবগীদমক্তা লিটারেচর
ঐসে মণিপুরীনি শক তাক্লবগীদমক্তা
বাংলা নত্রগা অতৈ অতৈ অপাম্বা শিজন্নসি
ইমালোনদি থাদোক্লরোয়শি ।
অওয়াবা কোকলগা মৈরা মরক্তা
ইপোম অমুক কারকখি
ইপোম মরক্তা ইরুজহৌবা অমনা নোঞ্জরকখি
রবীন্দ্রনাথ লোয়ননা নীলকান্ত, কুঞ্জমোহন পাবিয়ু
শ্রীবীরেন, শরৎচান্দ পাবিয়ু
মীতৈ’জমদি শুংথা থানরোইশি ।

০৪-১০-২০০৪



CamScanner

# চিংনবা

লায়রবা ইমুঙদা হৌরকচবা
লৈজদবা ঐগী
শগুন তৌখিবা থম্মোয়গী য়ুমদা
য়ুম শারমলিবা নঙবু কনানো ?
লৈজদবা ঐবু
নুংশিবিরিবদি করিমুক হুরানগে লাকপনো ?
চিংনজৈ ঐদি
পাখৎচৈ ঐদি
তত্তনা কোয়রকলিবা করিগীনো ?
লৈহাও মখোঙদা লৈ খুঞ্জন্নবদো মতম চাদে
মতমগী লৈনানা চুরবদি
লম্বি লবুক্তা চৎলু
কালেনগী নুমিদাংদা নোঙ ঙাইরুচো
অচুম্বমক ওইরবদি
মীতৈ অশেংবমক ওইরবদি
থাঙ চিক্লা ওয়াশক্লবতায়,
নত্রগা নয়ুমদা চৎলগা
অয়ুক ঙন্তাগী চেক্লা ঈশৈ তারুচো
লৌরিদা ফম্-গা কৌজেং ফারুচো
কাকফৈনা চিকলবদি তুরেল ফিবালদা ফমলুচো
ইপোম মরক্কী মৈরা মনুঙদা চোঙথরুচো
লৈখাদা ঐদি ঙায়জরমগে।

০৬-১০-২০০৪

## লৈরাং নঙবু করম্বা মীতাংবগীনো

তনৌ তনৌ তেকলবা অহিংবা হকচাং
কোরোক কোয়বা থোৎ নৌরবা মায়থোং
পোমশাৎনরবা খুজেং পাম্মোম
থম্মোয় হুরাম্বা হৈরিবী নুংশিজখ্রবা মীৎলু
ফজবা হায়বদো অসিমক্কি হায়বা য়ারবা
অহোক্লা ফজখ্রবা, নুংশিজখ্রবা লৈরাং নঙবু
মমিৎ উদবা করম্বা মীতাংবগীনো ?

চহি লিশিং কয়া য়োকতুনা
মথং মথং থুপ্লা
তরু তরু থমখিবা
অমম্বদা থাজ মঙালগুম্না ঙালি-বী
অহোকনা ফজখ্রবা, নুংশিজখ্রবা লৈরাং নঙবু
মমিৎ উদবা করম্বা মীতাংবগীনো ?

নোকলগসু ফজবা কপ-গসু ফজবা
য়েংলু য়েংলুবদা ঙক্লা লৈহৌরবা
য়েংনতা লৈরগসু পেনবা নাইদ্রবা শক্তম
অহোকনা ফজখ্রবা নুংশিজখ্রবা লৈরাং নঙবু
মমিৎ উদবা করম্বা মীতাংবগীনো ?

মীৎচিনা ওয়া ঙাংলিবী, নোকফেৎ তৌরগমুক হেন্না ফজবী
ফজৈ হায়রগসু ইকায়রিবী, থাগৎলগসু ইকায়রিবী
ইকাইরগসু থোয়না হেন্না ফজরিবী
অয়ুক্কী অঙানবদা ঙাকশং ঙাংবা গোলাপগুম্না
লৈকা ফন্না নদোম তুমিন শাৎলিবী
অহোক্লা ফজখ্রবা, নুংশিজখ্রবা লৈরাং নঙবু
মমিৎ উদবা করম্বা মীতাংবগীনো ?

০৮-১০-২০০৪

## ঐগী শৈরেং

অমামম তৌনা ইখিবা শৈরেংশিংদি
ঐগী হায়বদু ওইরমদ্রে
মীগী ইমুং মনুংদা চংদুনা নুংশিনরমলে,
মীচিক মীরাওখোল লৈত্রবা মতমদা
ঐগী শৈরেংশিংদু
ইচাগুম্মা নুংশি তেংথা উৎপবু
নঙ নত্তনা ঐগীদি কনাসু লৈতে হায়বগুম
পঙনুংতা নুংশিবিখি,
মতৌ মওংদু উবদা ঐনামুক নুংশিবিরুই,
নুংশিবা অমসুং থাজবগী মতৌ মওং য়েংলগা
নোংমদি মহাকতু পায়খিরমলে।

ওয়ারৌ চাউবা শৈরেংনি খঙদুনা
থেম-খোৎনা কৌশল-গা মনুং থুগাইনা য়েংলুবদদি
নুংশিজখ্রবা লৈহাও লৈনম্মা মলেম শিনথুংখি।

১০-১০-২০০৪

## নোংমতং উনিংখ্রে

হন্দক্তী অহনথক্তা নোংমতং উনিংখ্রে নুপি মচা অদো
মশক মতৌ ফজরগসু
লায়ররবী নিঙোলনি হায়দুনা নোংমতং থৌশাবিখিদে।
নৌনা পাখং ফাজরকপদা
বুদ্ধি লৌশিং ওয়াৎপনরা খঙদে
অকিব'মা মরক মরক্তা ঐবু তান্নরম্মি,
অয়ুক নত্রগা নুংথিল নত্রগা নুমিদাংদসু
থবক অচিনবমা পুথোকলগা
ঐগী নাক্তা তোয় তোয়না লাকলগা অমুক হেক চেনখি
পুক্লিংদা শৌজন্না লৈবা ওয়া কয়া হায়নিংবা লৈরগসু
ফোংদোকপা ঙমখিদবনা ঐবুতা য়েংনা লৈখি
ঐসু ইকায়নতা লৈহৌরি।
হন্দক্তী অহোকনা নোংমতং উনিংখ্রে নুপি মচা অদো
নোংমা মাক্লা তুমিন তুমিন লাকলগা
থোঙজিন্দা লেপ্তুনা ঐগী কা মনুংরোমদা
নোকফেৎ তৌরদুনা মীৎচিনা য়েংদুনা লৈরম্মী
ইকায়মনখিদুনা ঐনা লোৎপদু উরগা
ফমুং মখাদগী খুজেং পায়রদুনা চিংথোরকখি
খাতা কলম লাইরিক্লা থল-বা টেবিল মনাক্তা চিংশল-গা
অংক তৌমিনরম্মী।
ঐগী মীৎ অনিমক মাগী অংকরোমদা য়েংলগসু
অহেনবা মীৎ অনিমদি মাগী লুখম শমজি হকচাংরোমদনী
পুংথন থল-বা নোয়খ্রবা থবাকরোমদা য়েংলুবদদি
অকিবনা পাখৎতুনা নিক্লা লৈরম্মী।
হন্দক্তী অহনথক্তা নোংমতং উনিংখ্রে নুপি মচা অদো
শোয়দনা লাইবক ফবা, লৌশিং লৈবা
পাখং অমগা সংসার পাল-মলগনী
অদুঙৈ ঐনা নৌনা পাখং ফাজরকপদা উহৌবদুগুম্না
হিংলিবরা শিখ্রবরা খংজদ্রে
হন্দক্তী অহনথক্তা নোংমতং উনিংখ্রে নুপি মচা অদো

১৬-১০-২০০৪

## নিঙোল চরোংদো উখিদ্রে

রাস পূর্ণিমাগী থাজ মঙালগুম্না
ঙান থোইরিবী
নিঙোল চরোংসিংদো
হন্দক্তী শুকউ উখিদ্রে
মচু নাইরবা ফিজেৎ কয়া শেৎলদুনা
পরেং পরেং শারদুনা
লৈ পরেংগুম্না লম্বী থুংনবা
খুল-ক লৈরক্তা মরক মরক্তা থৈনখিবদো
হন্দক্তী কদায়দনো মাংখ্রে, শুকউ উখিদ্রে।

লোইবী চনু, লৈশাবী, মৌ নত্রগা নুপী
নিঙোল চরোং পুম্নামক
লৈচিন্না মমশিল-বা
তাইবংগী অমম্বদা মাঙখ্রমালে-,
হন্দক্তী হান্নগুম্না
মমি তারবা থাজ মঙাল উখিদ্রে
লৈচিলনা কুপশনখ্রে অতিয়া শিন থুংনা।

উনিংবা কয়া উবা ফংদবনা থম্মোয়নুংদা শুগাইরকলে
পাখংশিংনা মসিবু
করম্বা যুগকী থৌশিন্নো হংনরকলে।

১৪-১১-২০০৪



CS CamScanner

# খুৎ শোক্লবা

খুৎ শোক্লখিবা খুৎ অদুদি
ঐগী থম্মোয় শোক্লখি
খুৎতা হুরান্না লৈহৌবা ওয়ারোলদি
ঐবুতা নুংশিনা লৈজগে হায়বনি।

খুৎ শোক্লখিবা খুৎ অদুদি
ঐবু মীনুংশিগী মহাও তাকপিখি
খুৎ অদুনা খুৎতা হায়রম্বা ওয়ারোলদি
ফোংদোকপা ঙমহৌদবা নুংশিবদুনি।

খোমজল-রগদি নুংশিচেনবা পুন্সীগী শৈরেং ওইরম্মী।

২৪-১১-২০০৪

# ইমালোনগী খোল-৩

হৌজিক্কি মতম লময়ানবগী, মাংথানা চৎপগী
হৌজিক্কি মতম ময়োক্লবগী
হৌজিক্কি মতম ওয়াশক্লবগী
হৌজিক্কি মতম ইমালোন কনবগী ।

পোঙনা-পৈনা লৈরিবদু শুগাইয়ু
চাউথোক-পোঙথোক্লা লৈরিবদু ফুগাইয়ু
মীগী কাননবা থৌরাং শিল্, ইজাতিবু হিংহল্
লমচৎ কায়রিবা পুম্নামক খংথৎ থদৎলু ।

শিজন্নবা কাঙবুদু শৌগাইয়ু
নাকোং ওয়ারী থদৎলু
নমথিবা শাজৎ থুগাইয়ু
অপনবা পুম্নামক নমখাইয়ু ।

মীনুংশি খঙবা হৈজল্
ভাষা শহীদশিংবু মীরাইবিনু, মীতৈ ময়েক তমশল্
ইমালোন খঙজল্, লাইরিক-লাইশোল হৈজল্
লাইরম লম্বী খঙজল্ ।

অমম্বদা মৈ থাজল্
মৈরিক মৈশাদা হকচাং ফেংজল্
য়েক্লবা পুম্নামক লোইশল্
নোংপোক মৈরা ঙালহল্ ।

০৫-০৭-২০১২

# মীতৈময়েক তমহৌশি

অহল-নহা খায়দনা মীতৈ ময়েক তমহৌশি
পুয়া ওয়ারী খঙজিন্‌শি
ইমা মণিপুর নিংশিংশি, ইচানা ইমাবু নুংশিশি
মীতৈ ময়েক তমহৌশি, ইমালোন নুংশিশি।

মরাইবক ফখ্রবা মীতৈগীদি
মরন্নাই লোন মীতৈলোন লৈজহৌই,
মীগী মরোন্না ঙাংফদে,
মীগী মরোন্না ঈশৈ শকফদে
মীগী ময়েক্না ইফদে খঙনরবনি হন্দক্তি
মসিনা লাইবক ফবনি মীতৈগীদি।

মলেমসিগী অরিবা লোন মরক্তা
মীতৈ ময়েক্না অরিবা ময়েক্নি হায়নরি
মীতৈ লোন্না অরিবা লোন্নি হায়নরি
হায়নরিবা পুন্নামক্তগী তোপ তোপ্পা ময়েক্তি মীতৈ ময়েক্নি।

ইতিহাসকী তমথিরবা মৈরীনা চাকখ্রবা
শান্তদাসনা শিল-স্বা বাংলা ময়েক্তি হৌজিক ইমানা পামখিদ্রে
ইমানা হায়খ্রে, লাওথোকখ্রে
মীতৈ ময়েক্না মলেমসিগী অহেনবা অরিবা ময়েক্নি
মীতৈ ময়েক্না মীতৈশিংগী থওয়ায়নি
হৌজিক্তি ইমা মণিপুর শিনথুংনা লাওথোকখ্রে।

মীতৈ ময়েক্না লাইরিক লাইশোল তমনখ্রে
মীতৈ ময়েক্না লাকলিবা পুন্সীগি মরাইবক ওইনখ্রে
মীতৈ ময়েক্তি হৌজিকমক্তদা হৈশিন্বা তঙাইফদ্রবনি
নত্রবদি তুংদা ইমালোন খংদবা ,হৈতবা মীওই ওইখ্রগনি।

১৪-০৭-২০১২



CamScanner

# ইমালোন তমশি, নুংশিশি

ইখঙখংহৌদনা পোকলকখিবা পুন্সি অসে
খঙদবনা পেনবা নাইদনা মাংদোরমলে
অদুঙৈদগী খঙজন্নবা হোৎনবদা মাঙখিগদবা পুন্সি অসে
হৌজিক্তি খঙপ্রেক খঙনা জ্ঞান তারকলে।

পেনদবা কয়ানা কোকথোঙ ওইরদুনা
কনাগুম্বনা লাইনিং লৌখ্রে নৌনমুক
ইপানাৎ-ইপুনাৎ থিগৎনরকলে
ইমা লৈমরেলনা পোকপা অপোকপনা অচুম্বনি হায়নরকলে,
মীতৈনা ইপুধৌ পাখংবগী হাক্ততগী ঙাংনরম্বা
ইমালোনদি মণিপুরী লোন্নি, মীতৈলোন্নি খঙনরকলে,
মীতৈ ময়েক্কা লাইরিক-লাইশোল তমনরকলে
বাংলা লোন, বাংলা ঈশৈ, বাংলা লাইশোল থাদোকনরকলে
সন্ধ্যা আরতিগী খোঞ্জেল মানরকত্রে
ইমালোন্না লাইশোল ঈশৈ শক্তুনা মপু ইবুঙোবু পেলহন্নবা হোৎনরকলে।

ইপানাৎ-ইপুনাৎ থিজনশি, খঙদবা কয়া খঙজনশি
ইমালোন্না ওয়ারী শানশি, ইমালোন তমশি নুংশিশি।

২১-০৭-২০১২

## মীতৈ ময়েক তমলশি

ইমালোন্না হৌজিকসু ঙাংবা শকপা ঙমলিবা মীতৈদি
ইরাইবক ফবা ঐখোয়নি।

ঐগীদি ইমালোন লৈজে
ঐগীদি মীতৈ ময়েক লৈজে
মীতৈ ময়েক্না মণিপুরী লোন্নি, মণিপুরী লোন্না মীতৈলোন্নি
লৈজরিবা ঐগী ময়েক্তি
মলেমসিদা হৌজিক মমল লৈখ্রবা লন্নি।

ইমানা হেক পোকপদগী
ইমালোন্না ঙাংবা হৈজরকপা
ইমালোন্না ঈশৈ শকপা ঙমজরকপা
অওয়া-নুঙাই, অপেন-পেনদবা ফোংদোকপা হৈজরকপা
ইরাইবক ফবা মীতৈদি ঐখোয়নি।

ইমা মণিপুরনা ইমালোন তাকপিখি
বাংলা ইমানা বাংলালোন তাকপিখি
তমথিরবা লাইবক্না বাংলালোন ঙাংলুরে
বাংলালোন হৈজল-লুরে
ইমাদি ইমানি, ইমালোন ঙাংশি, শকশি
ইমাগী য়াথং কনশি
ইজাতি লেম্ন মাঙহললোইশি, মীতৈ ময়েক তমলশি।

২১-০৭-২০১২



CamScanner

# ইমাদি ইমানি

ইমালোন্না খঞ্জবা মচু নাইবা ওয়াখলগী মনুংদা
হৈনৌ মনুংদা তিল ওইনা চংলগা
য়াম্না ফজনা শানগে খলি-বা নংদি
পুম্থুংফম কদায়দনো খংব্রা ?

অহম্বা ফজবা উবগা পামজবা
অহম্বা ফিজেৎতা শেৎনিংবা
মীগী মশক মতৌ ফজবী ইমাদুবু ইমানি খঞ্জম্বা
খলি-বা নঙদি
শকথিবী ইমাদুগী হৌরকফম খংব্রা ?

ইমাদি ইমানি, লন-থুম মরাং কায়না থমবিরম্বা ইমানি
ইচিনাও খোয়না শকলিবা ঈশৈসে
ইচিনাও খোয়না ঙাংলিবা লোনসে ইমালোন্নি, মণিপুরী লোন্নি
ইচিনাও খোয়গী হকচাংদা চোংলিবা মিহুনসে
ইমাগী খৌরিদগী চেন্থরকপা ঈচেলনি খংব্রা ?

লাইনিং পরৈ চুম্না চৎলবদি
পুক্নিং হকচাং য়াওনা নিংলবদি
ফিরেপ চুম্না লেপলবদি
ইপানাৎ-ইপুনাৎ খংলবদি
ইমানা ইচাখোয়বু নুংশিবিবা শোয়দ্রবনি খংব্রা ?

২২-০৭-২০১২



CamScanner

# কংলৈচা ঐদি মীতৈনি, মণিপুরীনি

(কবি খোইরোম ইন্দ্রজিৎ-মতম পুন্নামক্তা ঐবু অনৌ-অনৌবা লম্বীদা খোংদাহলি-বা মহাক্পী মফমদা)

মীতৈলোনগী নাওশুমদা চাওজরকপা কংলৈচা ঐদি
মীতৈনি, মণিপুরীনি।

ইমানা ঐবু নাওশুমদা হাপ-গা লিবিখিবা ওয়ারীদো
লাইনিংথৌ পাখংবগী হাক্তা ঔগ্রী শকপদুনি
ইমানা ঐবু নম্বো পোরগা লিবিখিবা ওয়ারীদো
পুয়া মৈ থাবগীনি।

মীতৈলোনগী নাওশুমদা চাওজরকপা কংলৈচা ঐদি
মীতৈনি, মণিপুরীনি।

ইমানা ঐবু কথা মনুংদা শুম্-গা শকখিবা ঈশৈদো
খোংজোম লানগী ঈশৈনি,
ইমানা ঐবু কাঙখন মনুংদা শুম্-গা লিবিখিবা ওয়ারীদো
থৌনা ফবা মীতৈগী বীর টিকেন্দ্রজিৎকীনি।

মীতৈলোনগী নাওশুমদা চাওজরকপা কংলৈচা ঐদি
মীতৈনি, মণিপুরীনি।

মীতৈ ঐনা মণিপুরী ওইরগা মণিপুরী ঐনা মীতৈ ওইরগা
মীতৈ ইমাবু করম্না কাওরসিগে ?
ইমানা শকপিরম্বা লিবিরম্বা ওয়ারী পুন্নমক
মীতৈ লোন্ননি, ইমা লোন্ননি।

নাওশুমদা চাওজরকপা ঐগী হকচাং, ঐগী থম্মোয়
করম্না ইমাবু ইচানা কাওরসিগে ?
ইমাগী লমন অঙম্বা হন্দোকশি, ইমা ময়েক তমহৌশি
ইমাগী মঙালবু মলেমদা করিগী খুদোললোইদগে ?

২৩-০৭-২০১২

## লাইরম লম্বী খঙজনশি

অদুঙৈগী কংলৈচাদি মীতৈনি, মণিপুরীনি
২০ আগষ্ট' ৯২ নুমিৎতি মণিপুরী ভাষা দিবসনি
২০ আগষ্ট নিংশিংশি, ইমালোন নুংশিশি
ইমা-ইন্দোল পুন্নামক মীতৈ ময়েক তমহৌশি।

"লায়ররবী ইরোন্নি
খঙদবনা হায়বনি"
হায়হননিংদ্রে হৌজিক্তি
ইমালোন খংদ্রবদি অপঙবা তারবনি হন্দক্তি।

অহল-নহা খাইরোয়শি
মণিপুরী স্কুলদা কারশি
ইমালোন তমহৌশি
ইপানাৎ-ইপুনাৎ খঙহৌশি।

পঙহিং হিংবা তৌরোয়শি
ইমা মশক খঙজনশি
ইমাবু সেবা তৌরশি
ইনাৎ লম্বী, লাইরম লম্বী খঙজনশি।

২৪-০৭-২০১২



CamScanner

# নোঙ্গরিবনি থৌদাবা নত্তে

(মীতৈ ময়েক্কী স্কুলদা তমলিবা অঙাংশিংগী মফমদা)

মীতৈ ময়েক তমলিবা অঙাংশা মুন্না তাজহৌ
নখোয়দি নরাইবক ফবা মীতৈনি
ইমালোন্না ইবা হৈতবনা মরক-শরক তারিবসে ঐখোয়নি
নখোয়দি মীতৈ ইমানা তশেংনা নাওকোনখিবনি খংজহৌ ।

তাইবংসিদা পঙহিং হিংবা হৌনদে
মীৎ-না শিংদবা য়াদে
তুং-মাঙ য়েংবা তাই
চৎলিবা লম্বীগী য়েৎ-ওই য়েংবা তাই ।

বুদ্ধি লৌশিং য়াওনা হিংগদবনি
ইপানাৎ-ইপুনাৎ খংজনগদবনি
শিগদবা থওয়ায়নি খন্দুনা চথোকপা হৌনদে
লাইরিক-লাইশু তম্-দনা খন্দুনা লাইথোকপা হৌনদে ।

তাইবংসিদা হিংগদবনি মী অমা ওইনা
ইজাতি-ইনাৎ খংজনগদবনি মীতৈ মচা অমা ওইনা
হায়জরিবসে পাওরৌ নত্তে,
নোঙ্গরিবনি থৌদাবা নত্তে ।

২৪-০৭-২০১২

## নুপীলান নত্তে, ইমালান অমগী মথৌনি

(জননেতা কবি হিজম ইরাবতকী খুয়া খাদ)

ইতৈ তৈশন্না হিংলিবা মীতৈ ঐখোয়গী পুন্সিদা
অওয়াবা হৌজিকসু কোকত্রি
মীতৈ ময়েক হৈনদ্রি
নুপীলান নত্তে ইমালান অমগী মথৌনি।

হিংনবগী ময়োক্লবদা
ইজাতি কনবগী মুক্লবদা
কবি নহাক্না ফাদোক তাখিবা
নিংশিংলি হৌজিকসু নচাখোয়না নহাক্কী অওয়াবা।

ইমালোন শন্দোক্লবগীদমক্তা নহাক্না হোৎনখিবা
স্কুলদা মীতৈলোন তম্নবগীদমক্তা ওয়ারেপ লৌহন্নখিবা
মীতৈনা বামির্জ লোন্না ঙাংনবা উরুরগা
ইজাতি মাঙখ্রগনি খল-গা
থওয়ায় চাকখিবা কবি নহাক্তি
তারমগনী হৌজিকসু মীতৈ ময়েক তম্নবগী
সনাতন হামোমগী খোল-াও।

কংলৈচা খরখক্না হোৎনরি মুক্লরি বাংলা ইমাগী তম্পাক্তা
নহাক্কী চেকপন থুগাইবা ঙমখি ইজাতিগীদমক্তা
ঐখোয়দি হৌজিকসু ধঙ ধঙ তারি চেকপনগী মখোল
পুল-প্লা খঙনদ্রি হৌজিকসু ইমাগী মরোল।

বাংলালোন্না শকপা শোনবা খরা খরা থাদোক্লরকলে
ইমালোন্না লাইনিং-লাইশোল তমনরকলে
বার্মাদসু হৌজিক ইমালোন তমনবা হৌখ্রে
বাংলাদেশতা হৌজিক মীতৈ ময়েক্কী স্কুল মরি হাংখ্রে
মণিপুরী স্কুল অতৈসু হাংখিনি পাও তাবদা ইমানা হরাওখ্রে।

ইমা হরাওবিখ্রসু ঐখোয়গীদি পেনদবা কয়া লৈরী

পেনদবা কয়াগী ইচেলদা ইরৈ লৈশন্না লৈরী
বাংলা ইমানা য়োকপিরিবা মীতৈদি
পঙহিং হিংলি, মীতৈ ময়েক হৈনদ্রি
হৈনদ্রিবা ইমাশিংনা ইচাশিংবু স্কুলদা থাবিরকত্রবদি
নুপীলান নত্তে, ইমালান অমগী মথৌনি ।

২৪-০৭-২০১২

## মলেমশিৎনা শাৎলনশি

ওয়াখন-পুখন তিন্নদনা
খোইজেল-লিংজেন মান্নদনা
হিংলি হায়না পঙহিং হিংবা তৌরোরয়শি ।

"মীনায়না মপু শাররে
অতৈনা মীতৈ ওইররে
নঙগা-মাগা লাওনরিঙৈ
অতৈনা যুম্বু ওনখরে ।"
মুতুম অপুগুম্না ঐসু খনবদা ওয়াজরে ।

ওয়াখন-পুখম তিন্নশি
নুমিৎ লাই খুরমসি
ইমা লৈমরেল খুরমশি
মলেমসিদা তাইবং মী ওইনা হিংমিনশি ।

অহল ওইরে  কৈদৌরে
অঙাং ওইরে য়াইফরে
অহল-নহা খায়দনা
মীতৈ ময়েক তমহৌশি, ইমালোন খংজনশি ।

লায়ররবী ইরোন্নী হায়ফদে
ইনাকখুনবা ইরোন্নী হায়ঙমদে
মীতৈ ময়েক্তি চহি লিশিং কয়া লোৎনা লৈরুরবা ময়েকনি
ইকায়গনবী শক্তমনি ।

অরেম্বদা মাঙহননিংদে
চিন্নদনা কেনখ্রগনি হায়হননিংদে
মীতৈ লৈপাক ঙালহনশি
মলেম শিৎনা শাৎলনশি ।

২৬-০৭-২০১২



CS CamScanner

## মীতৈ ময়েক শন্দোকশি

মীতৈ মচা পুন্নমক থাং চিক্লা ওয়াশক্লশি
ইমালোন হৈতবা য়াদে
মীতৈ ময়েক তমদবা য়াদে
ইজাতি কনদবা য়াদে।

মীতৈ ময়েক তম্-গা
লাইরিক লাইশোল হৈরগা
মীতৈ মচা ওইরশি
জগৎসিদা ফাউরশি।

শাগৈ নাতৈ তিন্নশি
ইচিন্নাও মান্নশি
ইমালোন নুংশিশি
ইমাবু ইমা ওইনা হিংহনশি।

ইমানা ইচাবু মণিপুরী স্কুলদা থাবিশি
মীতৈ ময়েক তমহনশি
ইমালোন ঙাংনশি
জগৎশিন্না মীতৈ ময়েক শন্দোকশি।

২৬-০৭-২০১২



CamScanner

## লৈশেম জগোয় শারশি

মণিপুরী সাহিত্যদি
নুংশিবা চেনবা লৈরাংনি
ইমা নুংশিবীনা মনিং তম্না নাওকোনখিবনি
চহী চৎলবী ইমাগী শক্তমদি
নোঙানবদা নোংপোক চিংখোল ঙাল-দুনা ফুদোরকপা নুমিৎনি।

ইমানা ঙাংবিরম্বা তাকপিরম্বা লোনদি মীতৈলোন্নি
ইমালোনদি
লৈচিলক্কী অতিয়াদা ফুগাইনা থোরকপা থাজনি।

থাজ মঙালদা ইরুপ্পশি
ওয়াখন পুখন শেংদোক্লশি
মীতৈ ময়েক তমলশি, লৈশেম জগোয় শারশি।

২৭-০৭-২০১২

## কুনথ্রা মাথোয়গী লোইরমদায়দা

চহী কুনমঙা মতুংদা খঙহৌদনা কুনথ্রামাথোয় লানথোকলমলে
অমম্বগী সমদ্রু ইপাক্তগী হিংহৌরবা পাখং অদো নোংমদি
কুনমঙা লানথোকলমদায়দা
অমাবস্যাগী মুসিকমুনা মম্-বা অহিংদা মাংখিরমলে,
মশানা মশাবু মাঙহন মাঙহনবদা
নোংমদি মহাক পোৎশক অমা পুথোকলম্মি মশানা।

মম্-বা অমাবস্যা ইঙাল ঙানথোকলম্মি
কুনথ্রামাথোয় লোয়রমদায়দা নোঙমদি নুমিৎকী মঙালনা
ইরং লংখি নোঙপোক ফিবালগী অতিয়া
মদুগী মথংদা
পুমঙাল ঙাল-বা মৈরা মরক্তা হৌখিববু খঞ্জনবিরম্মি
মহাক অদো হৌজিক
পেনদবা পুম্নমক খুমজন্না থমখ্রে মীৎকি তন্দন্না।

২৭-০৭-২০১২

# ইমাগী হৌরকফম খংজনশি

ইমালোন তম্নরকলে, মীতৈ ময়েক্কী মথৌ তানরকলে
নোংপোক মৈরা ঙাল-কলে
মীতৈ ময়েক তমহৌনবগী হোৎনরকলে
ইমাগী হৌরকফম খংজন্নবগী
স্কুল চৎনবা হৌনখ্রে ।

নুঙাইরবা পাও অসে খুঞ্জা তরামরিশিৎনা তানদ্রি
একে শেরামগী থুম্-বা খোঞ্জেল
সনাতন হামোমগী খাক্লবা খোল-াও তানদ্রি,
মতমচানা প্যাওজেল ফংবিগনি
ইমালোনগী স্কুল হাংলরগনি,
কংলৈচা পুন্নমক মান্নশি
মীতৈ ময়েক্কী স্কুল হাংলশি
ইমালোন তমহৌশি, মীতৈ ময়েক হৈজনশি
ইমাগী হৌরকফম খংজনশি ।

২৮-০৭-২০১২



CamScanner

# ইমা মণিপুরদি উনিংঙিদা

(কবি শরৎচান্দ থিয়াম - মণিপুর উনিংহনখিবা মহাক্কী মফমদা)

ইমানা ঐখোয়বু করি মিরাইবা লৈখিদুনা
ইমা লমদম থাদোকতুনা কোয়চায় চায়না চেল-কখিবা
চীঙ-তম কয়াগী মরক্তা খুদিদুনা
থওয়ায় হকচাং খুবাক্তা হাপ-গা চেল-কখিবা
ইমা নঙবু উবিখিদ্রা ?
করিগীনো ইমানা নচাশিংবু কোনশন্না থমবিখিদ্রিবা ?

ইমা মণিপুরদি উনিংঙিদা, কয়াদা ফজরমগদবা
ইমা উনিংবসে চহি লিশিং কয়া শুরকলে
ইমাবু হেক নিংশিংবদা
কবি হিজম ইরাবত উবা ফংঙি,
ইমাবু হেক খল্লবদা
কবি এলাংবম নীলকান্তবু উবা ফংঙি,
ইমাবু হেক উনিংবদা
কবি শরৎচান্দ থিয়ামদি ইমাংদা হেক লেপ্তুনা লৈরম্মি
ওজা শরৎনা নুংশিবিদুনা হায়রকখি
ইমা মণিপুর য়েংবা লাকপিয়ুদনা .....
চৎপদি ইঙম ঙমদে
ঐনা ইমা নুংশিবা শেংদবনরা
ইমানা ঐবু নুংশিবা খরা ওয়াৎপনরা ?

অহল লমন্না হায়খিবা পাউরৌদি
চেং কেজি অমগী সমস্যা য়ুমদা লৈরবদি
অদু লোয়শন্দনা মপাল থোকপা হৌনদে,
নোংমগী তত্তনা শুজবদা ওয়ারবা তাইবংসে
চাননবা হিংননবগী হোৎনবদা নুংশাস্বর হোলি-বসে
অওয়া-অনা নংনরকপদা নোংমদি শোইদনা
মমা-মচা নিংবা থুংনরগনি, উনরগনি।

২৮-০৭-২০১২



CamScanner

## ভানুগাছকি অতিয়াদা

(কবি এ, কে শেরাম - ইরোন্না ইনিংহনখিবা ঙাংনিংহনখিবা মহাক্কী মফমদা)

নুঙাইনা পাল্-গে হিংলুগে হায়না চেল-কখিবা
ইহুন ফবা কংলৈচা খরখক্কী
পোক্লফমদি হৌজিক ভানুগাছনি। ইমা মণিপুরসুনি।

ভানুগাছকি অতিয়াদা হৌজিক পায়ররে
মীতৈ ময়েক্কী ইমানা শেম্বিরম্বা বর্ণমালা,
ইমালোন মীতৈলোন ইজাতি কন্নবগীদমক্তা
খুঞ্জা তরামরী ঙাওনরে।

লৌয়ু-শিঙয়ু, ষণ-শম্বোৎ থাদোক্লরে
থবক-থনা অফিস লংথোকনরে
ইমাগীদক্তা কোয়চেল চেন্নরে।

মীতৈ ময়েক করম্মা তমহনসিগে
ইমালোন করম্মা শন্দোকসিগে
মীতৈ ময়েক্কী স্কুল করম্মা হাংসিগে
পুকচেল খোইজেল পোক্লরে ভানুগাছকি অতিয়াদা।

২৯-০৭-২০১২

## ইমাবু উবা ফংলরোইদ্রা

ইমাগীদমক্তা, মীতৈময়েক্কীদমক্তা
নুমিদাং কয়া ইংতম্না ইদোমতা
ইমালোনগী শৈরেং ইবদা ওয়ারে, ওয়াজরে ।

ইমাবু লাম্বা ফংলরোইদ্রা
ইমাবু উবা ফংলরোইদ্রা
খনবদা নুমিৎকি ওয়ারে, ওয়াজরে ।

ওয়াজগে অতৈসু ইমা হরাওনবগী
ওয়াজগে অতৈসু ইমা নিংবা থুংনবগী
ইমালোন্না ঙাঙনরগা
মীতৈ ময়েক তমনরগা
ইমাবু মীতৈ ইমানি নিংশিংঙি ।

২৯-০৭-২০১২



CamScanner

# চে খুনগৎপী নুপী মচা অদো

চে খুনগৎপী নুপী মচা অদো নোংমগী তৎতনা ডাষ্টবিনগী নমথিরবা মরক্তা ঙৌশোক ঙৌরবা খুজেংদুনা মীনা লঙথোকপিরকপা চেজেৎ, চে খুনগৎলি । চেগী বরা অদু মহাজনদা পিরগা পুকচাক তালি-, মমাদসু খরা খরা পিশলî । হুরান্না মরন্নাই থমজবা লৈবাক্কী ব্যাংক অদো য়ু থকপা মপানা মরক মরক্তা হুরালি- । পৈশা হুরাল-গা চপ চাবা ব্যাংক অমা মহুৎ থম্বি । মওং মান্নবনিনা মহাক খংদে । চে খুনগৎপা তোকতে । মী ওইনবা হোৎনজৈ ।

চহি ফারকপদা মশানা থুগাইবা মতমদদি করিমত্তা লৈরমদ্রবদা মথওয়ায় চাকতুনা শহর থাদোক্তুনা ভানুগাছ লৈবাক্তা লাকখি । লাকলগা মফম মরাং খংদনা হামোম গোপালগী কথে স্কুল বারান্দাদা পোৎথাফম শিল-গা খুঞ্জা পুম্নমক কোয়চৎ চৎতুনা চে খুনগৎলি ।

চে খুনগৎলি, বরাদা হাপ্পি য়েৎ, ওই য়েংদে । তুমিন তুমিন্না করি চেদা করি য়াওরিবা য়েংশলি- । অমুক ফমদুনা পাথোকই । নোংমদি গংগানগর মণিপুরী স্কুল মনিংদা চে খুনগৎল-বদা মীতৈ ময়েক্লা ইবা অঙাংশিং তম্বগী চেজেৎ অমা পাগে য়েংবদা পাবা ঙমদবনা ইঙক ঙকখি । মমোন্দা খঙনিংবা অমা পোকখি । কলেজ কারকপী সুমনা অমসুং শীলারানী উবদা চেনশল-গা হংলুই- ঙসিদি অহ্নোকপা ময়েক অমা উনরুরে, মসিবু চাইনিজ ময়েকরা নত্রগা বার্মিজরা ? মখোয়নিনা খুমলকখি- মসিদি চাইনিজ, বার্মিজ করিসু নত্তে ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক্লি, ইমালোন্নি । নুপী মচা অদুনা ঙকতুনা অমুক হংলকখি- নখোয়গীসু ময়েক লৈরিবোয়রে ? সুমনা অমসুং শীলানা হায়রকপা ইমালোন হায়দি মীতৈলোন অদু খংদবগী পেনদবনা নুপী মচা অদুনা মীতৈ ময়েক তমজগে, নখোয়গী লোন্না অমুকতং ঙাংবা ঙমজগে হায়রকখি । মখোয়নিদু হরাওমনখিদুনা কলেজ কাব তোকথোকতুনা মীতৈ ময়েক তাকপিখি । য়াম্না লুনা তৌবিবদুগা ময়াং নুপী মচা অদো মীতৈদা জাৎ তাখি ।

৩০-০৭-২০১২



CamScanner

## শৈরেং অমতং ইজগে খনবনি

শৈরেং অমতং ইজগে খনবনি
শৈরেংদুবু মীতৈ ময়েক্কীদমকরা নত্রগা ইজাতিগীদমকরা
খনবদা কোক সাই ইজাতিগী ফিবমসে খল্লরগা ।

ঐদি মীতৈনি, মণিপুরীনি হায়দ্রগসু মীতৈনিনা
মীতৈ ওইনা তুমিন্না লৈথোকই
নোংমগী চাননবগী, হিংননবগী হোৎজদুনা লৈথোকই
লাইথোক্লা লৈরিঙৈদা
থৌশাদনা লৈরিঙৈদা
মীওই খরনমুক মসানা মণিপুরীনি লাওথোকপা,
ঐখোয়বু মণিপুরী নত্তে হায়দ্রগসু
মহাক্তি মণিপুরী শারগা হোৎনবা তোকতবনিনা
সরকারনা মহাকপু লেংজান য়ানবিদুনা থাগৎখিদৌরে
মসি খনবদা
শৈরেং অমতং ইজগে খনবনি ।

ঐগী ইমালোন লৈজে
ঐগী মীতৈ ময়েক লৈজে
ঐগী জাতিদি চাওখৎলিনা খলি-ঙৈদা
কুমৈ য়েংলিঙৈদা
মখোয়না নিংথৌ ফম্বালদু মুনখিগদৌরে
মসি খনবদা
শৈরেং অমতং ইজগে খনবনি
মসি খনবদা মীতৈ পুন্নমক মান্নসি খনবনি
মসি খনবদা
মীতৈ পুন্নমক্লা ইজাতি কনসি, মীতৈ ময়েক হিংহনসি খনবনি ।

৩০-০৭-২০১২

## ইমা নঙ কপকনু

ইমা নঙ কপকনু
ইমা নঙ ওয়ারৌগনু
ইমালোন তমনরে
মীতৈ ময়েক পান্নরে ।

ইমা নঙ হৌগৎলু
ইমা নঙ য়েংশল্লু
নচা ময়াম মীতৈ স্কুল কানরে
মীতৈ ময়েক তম্নরে ।

ইমা নঙ নোকথোকউ
ইমা নঙ হরাওথোকউ
মীতৈ ময়েক তম্নরগা
ইমালোন ঙাংনরগা
কংলৈচা অশেংবা ওইরনি খন্নরে
মীতৈনা মণিপুরীনি খংনরে ।

৩০-০৭-২০১২

## নুংশিবী ইমা

ইমানা নচাশিংদি নুংশিবিরমগনি
মদুদি ইমাগী, মীওইবগী মহৌশানি,
ইমাদি ইমানি খংঙি
ইমাগী লমন শিংঙমলোইদ্রবা নচানি
ইমাবু খৌরাংলিবসে ঙসি চহি লিশিং কয়া শুরকলে
ইমাদি করিগীনো লোৎনা লৈবিরিবা ?

নোংপোক মৈরা ঙাল-কলে
ইমা য়াথং কন্নরকলে
ইমালোন ঙাংনরে
মীতৈ ময়েক তমনরে
ইমানা করিগীনো লোৎনা লৈবিরিবা ?

ইমাদি ইমানি খংঙি
নচা ময়াম লৈরিঙৈদা
ইমানা ইকায়না লোৎপা য়ানিংদে
ইমানা ওয়ারৌদুনা লোৎপসু য়ানিংদে
ইমানা পেনদনা খনবা খনফদে।

ইমাগী ওয়ারোল খঙনরে
ইমাগী অওয়াবা উনরে
মীতৈ ময়েক তমনরগা
ইমাগী লমন শিংনরগা
নুংশিবী ইমাবু হরাওহনগনি ওয়াশক্লরে।

৩১-০৭-২০১২

## থম্মোয়নুংদা ইরাৎনরে

(য়ুম্নাম পীবা - ইরোম্না ঙাংবদা খোইথুমহন্বা ঙম্বা মহাক্কী মফমদা)

ইখঙ খঙদনা ঐনদি খঞ্জরি, ভানুগাছতি সেকেন্ড মণিপুরনি
ময়াং লৈবাক্তা ইহুন ফনা হিংবা ঙমলগসু
কংলৈচা ঐখোয়দি নিংথৌ মচাঙক্তা ওইবগুম্না
ইতৈ তৈশন্নে, ইয়েৎ য়েৎশন্নে লেংদা নুংদা মান্নবা হৈনদে
ইপানাৎ ইপুনাৎ থিজন্নদে
রামনাম শোল-গসু লাইনিং চেৎপদি হৈনদে ।

তোঙা চাবা মীতৈ ঐখোয়দি হৌজিকসু
ময়াং মরক্তা হিংনবগী টেকনিক পুম্নমক খঙলগসু
মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা জিলা কাবদা
মাইবম তাম্রসিংহনা জিরিদগী ১৩৭ মাইল ইম্ফালদা চেল্-রগা
নিংথৌ কোনুংদগী হল-কলগা
মহারাজবু পেলহনবা ঙমখিবা মীতৈ ঐখোয়দি
ইমালোনগীদমক্তা থওয়ায় কৎথোকপা পামুনরি ।

শ্রীগোবিন্দগী নাম তৎতনা শোল-স্বা
ইহুন ফখ্রবা পৌনা ব্রজবাসীসু
বৃটিশকী মিনাই ওইরম্বা সুবেদার রসমনগী থাংতোন্দা
ইরৈবাক্কীদমক্তা মথওয়ায় কৎথোকখি
ওয়ারেপ্লবা ঙমদবা মীতৈদি মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী হাক্ততা
লান্দারকপা ব্রিটিশকী নোংমৈ গুলি মখোল তাবদা
কোয়চায় চায়না চেনখি
কংলা দখল তৌখিবদা থওয়ায় চাকমনখ্রবা
বীর টিকেন্দ্রজিৎতি অমুক হন্না মুক্করুগে খনখি,
কুলচন্দ্রগুম্না বশ্যতা তৌখিদে অদুবু
বীর টিকেন্দ্রজিৎতি মীনুংশি খঙদবা সাহেবশিংনা ফাদুনা
মীতৈ মীয়াম মমাংদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি ।

মীতৈ পন্ডিত খোঙনাংথাবনা হায়খি
পামহৈবা, লমচৎ ফজৌ, নমা ফজদবদুবু নমানি হায়য়ু

প্রজা ময়াম্নসু নোঞ্জখি অদুবু
কনাগীসু তেংথারোল তাখিদে
মীতৈ পুয়াদি মৈ থাদোকখি, রামনাম শোনবা হৌখি
অদুবু হৌজিকতি কনাগুম্বনা লাইরম লম্বী থিজন্নরে
ইমা লৈমরেল খুরম্নরে
লাইনিংথৌ সনামহিবু থম্মোয় নুংদা ইরাৎনরে ।

১৮-০৮-২০১২



CamScanner

## মসীবু মীতৈ ঐখোয়গী থৌনারা ?

(ইজাতিবু করম্না ঙাকসিগে খন্দুনা থবক শুবিরিবা থৌনাওজম লক্ষীকান্তগী মফমদা)

করিমত্তা মীহৌদে
কৈদৌঙৈদসু কল-কহৌদে
পেনবা নাইদবদি হৌনশাগীনি
নুঙাইজদবদি ইজাতিসিগীতনি ।

অমগা অমগা উশিৎনদবা
অমনা অমবু থৌশাবিদবা
শক্তাদুনা করি তৌরকপা ঙমগনি
ঐনমক হেলে- খলি-বা
মসিবু মীতৈ ঐখোয়গী থৌনারা ?

ইজাতিসিগী থবক থনা শুজগে
ইপানাৎ ইপুনাৎ কনসি ঙাকসি খনবিদুনা
চোঙথোকপিরইবা মীওইদুবু
তরাম্না ওকশিনবা হৈনদে
থাগৎ থৌশিন হৈনদে
মীশক অদুবু করম্বা মীওইনো ইখঙখংদনা
ঐনমক হেলে- খলি-বা
অসিবু মীতৈ ঐখোয়গী থৌনারা ?

১৯-০৮-২০১২

## লান

নুপিলান, ইমালান, খোংজোম লান হৌখিবা লান য়ামখ্রে
মীতৈ ঐখোয়গী পুন্সীদা লানগী লানঙক্তা
লান মথক্তা হিপি-বা ঐখোয়বু
লান মনুংদা হিংলিবা ঐখোয়বু
লান নত্তবিদা হিংনবগী থৌশিল অমদি পুথোকলশি।

ইমুং মনুংগী লান, শিংলুপকী লান, লানগী লানঙক্তা
ইমালোনগী লান, ইজাতিগী লান
মীতৈ ঐখোয়সে মণিপুরীনি খঙহননিংবগী লান, লানগী লানঙক্তা।

ঐখোয়না অসোমদা লান শোক্লরিঙৈদা
অহোয় অমরোমদনা
ফুংগা ওয়ারী শানরিঙৈদা
মমাংদগী চালুক হুরানখিবগী লান, লানগী লানঙক্তা

অমবু অমা ওইরবসু লান পুন্নমক লোইশল-শি
খুজেং পাইননা নত্তে থাং চিক্লা ওয়াশক্লশি
থৌবুরেন ময়াম পুল-গা
অহল নহা লেংগোন্নরগা
ময়ামনা অমত্তা ওইরশি।

২২-০৮-২০১২

## মসিনা ঐখোয়গী হরাওনিঙাইনি

ঐদি ইমাগী লোন্না ইমাগা ওয়ারী শানজৈ
ইমাগী লোন্না ঈশৈ শকচৈ
খুবাক ঈশৈ, খুলং ঈশৈ শকলগা ইমাবু নিংশিংজৈ
ইমালোন্না ইরগা নুঙাই নুঙাইতবা ফোংদোকচৈ।

নঙদি নঙগী লোন্না ওয়ারী শানবিবরা ?
নঙগী ময়েক্না ইবিরিবরা ?
মদুদি ঐ খঙজদে
ঐদি ঐগী লোন্না মণিপুরী লোন্না ঙাঙজৈ
মসিনা ঐগীদি নুঙাইজবনি
মীতৈ ঐখোয়গীদি চাওথোকনিঙাইনি।

ঐদি ইমালোন্না লাইরিক লাইশু তমজনিংঙি
মণিপুরী স্কুলদা মীতৈ ময়েক তমজরি
ইপানাৎ ইপুনাৎ খঙজন্নবা হোৎনজরি
লাইরম লম্বী থিজন্নরি
মসিনা মীতৈ ঐখোয়গীদি হরাওনিংঙাইনি।

২৩-০৮-২০১২

# মদুবু নুংশিবা কৌব্রা ?

নুংশিমন্না নুংশিজবদুবু নুংশি হায়বা ঙমদবা
উনা উনা উনিংবা
নোংমগী তৎতনা উনিংবা
উরিঙৈগীসু পেনবা নাইদবা
অসিগুম্বা নুংশিবসিবু নুংশিবা কৌব্রা ?

থম্মোয়শোক্লা নুংশিরগসু নুংশি হায়বা ঙমদবা
নুংশিবা-নুংশিবীদুবু উনিংবা মতমদা
উবা ফংদবনা থওয়ায় চাক্লিবা অদুবু
থবাক শেগায়না উহনগে হায়বগুম হায়রকলিবদুবু
করম্বা মীনুংশি খংদবনো? মদুবু নুংশিবা কৌদ্রা ?

নঙবু নুংশিজৈ হায়রগসু ইকায়না তুমিন লোৎখিবা
নঙবু ফজৈ হায়রগসু পোংথোক্লা হেক লৈখিবা
নঙবু ফজদে হায়রগমুক ওয়ারৌবিবা
নঙবু ফত্তে হায়রগমুক কাপশিন্ননা লৈখিবা
মদুবু নুংশিনবগী করম্বা থৌরম থৌশিন্নো খংব্রা ?

২৩-০৮-২০১২



CamScanner

## তুংশিন্না লৈবা নোঙ

নোঙ মপৈ ওইনা তুংশিন্না লৈরম্মী ঐগী থম্মোয়নুংদা
ইশিং ওনখ্রগা ইমিৎতগী নোঙ ওইনা তারকখিবা
অদুবু নঙ উ-উনা উবিখিদে
মীওইবগী তেংথারোল, থম্মোয়মগী পামজবা
খঙহৌদনা খৌরি কংনা খৌরাংলকখিবা
মদুসু নঙ খঙ খঙনা খনবিদে,
নুপাগী শাজৎ লমচৎ; থৌনাফবা নুপাদুবু নত্তে
খঙ-খঙনা নুপীদুনসু খনবিদে,
মীওইবগী মনুংদা করি লৈরিবা মনুং চেৎনা থিজনবিদে।

নুপানা নুপীগীদমক খস্থবিরিবসে
নুপীনা নুপাগীদমক অদুক নত্তে, নঙসু নত্তে
মীওইবনা মীগীদমক্তা ওযাখল খস্থরিবসে
ইশিংদা লৈবা থওয়ায় পানবমনা কৈদৌঙৈদসু
তুরেল অদুগী মনুং হজিন্না লুথরিবদো খনবা নত্তে।

নুংশিবগী লৈরাং অদো কেনখ্রবদি
অমুবা শমগী বেণীদা থেৎলবসু
কৈদৌঙৈদসু লৈকোল লৈরাংগুমদি ওইররোয়দবনি
ইংখ্রবা থাবলদা লুখম অদো মদোমতা তাখিনা লৈবনি।

২৪-০৮-২০১২

# নঙবু নুংশিজরুবা ঐদি

তুমিন তুমিন নঙবু নুংশিরিবসে
ঙসি চহি লিশিং মঙা শুরকলে,
নঙগী ওয়াখল পুখন্দা
নঙবু ফংনিংবা আশাদা
নঙবু কোয়থি থিরিবসে
ঙসি চহি লিশিং মঙা শুরকলে।

নঙনা ঐবু উখ্রগনি খন্দুনা লোৎখিবসে
ঐনা হেক য়েংশল-বদা নঙনা ইকায়খিবসে
মসি ঐগী অমাংবা ফিবম ওইরগদ্রা খনবদা,
থম্মোয় শোক্লা ওয়াজরে।

নঙবু পামজরুবা
নঙবু নুংশিজরুবা ঐদি
খোং থাংবা ঙমলকত্রে চোকথরে।

ওয়ানা ওয়ানা নঙবু থিজম্বা তোকতবা ঐদি
কৃষ্ণনা রাধাবু নিংবদগী হেন্না মীয়াম্না ঙাংনরে,
ঐসু নঙগুম্না ইকায়জরকলে
পুন্না হেক ঐখোয়নি লোৎমিনরবদি
লাঞ্জওদগী ফিরাল পাইনা হল-কপগুম থোকলগনি।

২৫-০৮-২০১২



CamScanner

## নোঙ, নুংশিৎ, মৈ

অতিয়াদি অতিয়াগুম্মা লৈরী
নোঙ মপৈ মপৈ পায়রদুনা
নোঙগা নুংশিৎকা নুংশিনদুনা তিন্নরি
অতিয়াথক্তা অতিয়ানা কোনশন্দুনা।

নোঙ নুংশিৎ মৈ তিন্নবা য়াদবসে হৌনশানি
নোঙনা হায়রি ঐ নত্রবদি নঙদি হিংবা য়াদ্রবনি
নুংশিৎনমুক হায়রি ঐদি নোঙগী পম্বৌনি
মৈদি মীনুংশি খঙদবা জাৎ ওইবনা
অফংবদা লামশলি-, চাকথেকহলি-।

ভানুগাছকী অতিয়াদসু নোঙবু নুংশিৎনা উননিংবা উই
অনিমক্কী ওয়াখল পুখন মান্নবা ফংজৈ
মৈ ওইরিবা খরখক্লা চাকথেকনবতা হোৎনবা উজৈ
নোঙগা নুংশিৎকনা মহাকপু কয়ানি থেমজনগনি ?

২৫-০৮-২০১২

## ঙায়জবা

খরনি মতুংদা উনরগনি হায়রম্বদায়
নঙবু  ঙায়জবদা ঐদি য়াং কংলে, শিগদৌরে
নুমিৎকী  উনসি
তোয় তোয়না উনসি
তোয় তোয়না হায়মম্বদুগা
নঙনা হায়রকখিবদায়
খরনিসিগী মনুংদা শোয়দনা উনরগনি।

নোংমা নোংমা ঙায়জবদা
নোংমা কয়া হৌখ্রে খনবিবরা ?

ওয়া পিরগা ওয়া ঙাকপা ঙমদবদুদি
নমোন শেংদবা ওয়াখল শোনবননি
নঙবু ঐনা কয়া শেংনা নুংশিজরিবা
থাজদ্রগা থবাক শেগায়না য়েংহনজগে, য়েংঙরাও।

চাদ থক্তনা নঙবু ঙাইজবা ঐগী থম্মোয়, ঐগী হকচাং
নঙবু নিংবা খনবদা
হৌগৎনা খোঙ থাংবা ঙমদ্রবা মতমসিদা
খরনি ঙাইখোমক হেক হায়রকখিবদুদি
নুমিৎ কয়ানিনা খরনি ওইরিবনো খঙনিংই।

২৫-০৮-২০১২



CamScanner

# নঙগীদমক্লি

নঙগীদমক্তা থওয়ায় অসে কৎথোকলগা
লানফমদগী নুংশিবা লৌজরুবনি
য়েক্লবা ফুনবা কাপ্পবা মরক্তা লানথেংনরগা
নঙোন্দা কৎচগে খঞ্জদুনা
নুংশিবা খুজোক খুজোক খোমজল-গা পুজরকপনি।

মীনুংশি খঙদবা ওইবিনু
নুংশি হৈতবসু ওইবিনু
ঐগী খোঙথাং
ঐগী মীৎলু অনিশি য়েংলগা নুংশিবীয়ু।

নঙগীদমক্তা থওয়ায় অসে কৎথোকলগা
লানফমদগী নোংমৈ গুলিগী মহুৎতা
পোমশাৎনরবা লৈরাং অসে পুজরকপনি।

থম্মোয়নুংদা খোঙলিবা কৃষ্ণ সুর অসে
থম্মোয়নুংদা শকলিবা ঈশৈ অসে
থম্মোয়নুংদা চোংলিবা মীহুন অসে নঙগীদমক্লি।

২৫-০৮-২০১২



CS CamScanner

# ইমা মণিপুরদা

কনা কনা মণিপুরদা চৎকনি
হন্দমুক্তি চৎলশি, কোয়রুরশি
চীংনা কোয়না পনশাবা ইমা মণিপুরদা
অতোঙ অকুৎ নমখায়না
চীংদোন কয়া লানথোক্লা ।

হন্দমুক্তি শোয়দনা চৎলশি, কোয়রুরশি
ইমানা ইন থারম্বা
ইমাগী লোকতাক্তা,
ইমানা ইন থারম্মী
ইপানা লোংগুপ কুপলম্মি
ঐনা হেক চৎলদি
বোরাক নত্তে লোক্তাক্ত
খোয় থাক্লগা
ওজা কুঞ্জমোহনগী ইলিশা অদো ফারুরগনি
ইচিন্নাও য়েন্ননা চারুরশি ।

২৫-০৮-২০১২

## থম্মোয়নুংদা চাক্লিবা মৈ

থৌশাদবনা ঙমহৌদবা, ঙমদবগী পেনদবা মৈচাক্লা
থম্মোয়নুংদা চাক্লা লৈরে
কনানা মুথৎপিগনি, কনানা ইংথহনবিগনি ?

কানবা খঙদবা শেনজাও পাইবা ঐদি
মহাক্লা অপিকপা জাৎনি
মহাক্লা লায়রবনি ঐনা ইনাকখুনবনি
ঐনা নিংথৌনি - মহাক্লা মনাইনি খলি-ঙৈদা
নিংথৌগী চেয়ার হুরানখিরমলে ।

ইরন্নাই খঙদবা ঐদি
নুংশাশ্বর হোলি-ঙৈদা শ্বর হোনবা শংদ্রে,
লমচৎ কায়রুদবনা অচুম্বদি চুম্-বনি, চুম্মি
থাজবনদি হৌজিক কৃষ্ণ ফংলকত্রবা মতমনি
লৌশিং হৈরবদি ইরন্নাই খঙলবদি হৌজিকসু
থম্মোয়নুংদা চাক্লিবা মৈ অদো মদোমতা মুথৎপা য়াবনি ।

২৫-০৮-২০১২

## ঙরাংতা ওয়াশক্লবদুবু

ঙরাংতা থাং চিক্লা ওয়াশক্লরগা
হাওশক মালি- হায়শন্নরগা
নাতোন ফজবী থিরিবা
লুখম চঙখোনবী থিরিবদুবু
তুরেলদা ইনথরগা জগোয় শানহল্- হায়বিরিবরা ?

ঙরাংতা থাং চিক্লা ওয়াশক্লরগা
মরেপ শাংদবনি
নেমত্রিক নেমবনি হায়শন্নরগা
ঙকশম অশাংবা থিরিবা
লাইরিক হৈবী থিরিবদুবু
নোংমাইজিং চিঙখাদা ইন্থরগা
ইরোয়বা তাকপিয়ু হায়রিবরা ?

ঙরাংতা থাং চিক্লা ওয়াশক্লরগা
অপিকপা শাগৈনি
মবুংশিংদো মরুপমপিজা তিন্নদবনি
য়ুম্বাল কৈবাল ফজদবনি হায়রিবদুবু
হামোমখুলগী চিংদোং লৈকায়দা পুরগা
নুঙজেং মরক্তা মুক্লা তাকপিয়ূ হায়রিবরা ?

২৬-০৮-২০১২



CamScanner

## অরেম্বদা থওয়ায় হকচাং চাকচখিনি

নুংশিগদবনি থওয়ায় হকচাং চংনা
চপচানা ধর্ম কায়দনা থম্মোয় চংনা
নুংশিবা হৈত্রবদি নুংশিবিরকলোয়
নুংশিবদা  নুঙ য়াওদ্রবদি
নুংশিববু শোকলুগনুকো
অরেম্বদা মৈ হৌজনি
অরেম্বদা থওয়ায় চাকচখিনি ।

মীনুংশি খঙবা হৈত্রবদি
থাজবগী ময়েং তারবদি
নুংশিবদা থওয়ায় হকচাং য়াওদ্রবদি
নুংশিবগী থোঙ থোঙনাও পুম্নমক হাংদ্রবদি
মদুগী নুংশিবদু শোকলুগনুকো
অরেম্বদা মৈ হৌজনি
অরেম্বদা থওয়ায় হকচাং চাকচখিনি ।

২৬-০৮-২০১২



CamScanner

## পোকপা-শিবা

পোকপসু অচুম্বনি, শিবসু অচুম্বনি
খেন্নবদি করিসু লৈতবগুম্মি
পোকলগসু খোয়রি লৈবাক্তা ফুমজলি-
শিরগসু লৈবাক্তা ফুমজলি-
ইমাদগী হৌরকলগা লৈবাক্তা লোয়শম্বা
ইমা অমসুং লৈবাক খেন্নবা করিসু লৈতবগুম্মি।

পোকলগনা অঙানবা
শিরগনা অমম্বা
অমম-অঙান মরক্তা নঙ ঐগী পুন্সি
খেন্নবা করিসু লৈতে।

থাও লৈরিঙৈদা গাড়ী চেলি-
থাও হেক লোইখ্রগা খঙলেপ লেপখিনি
মীওইবসে চেনবা অমসুং খঙলেপ লেপ্পনি
পোকলুরবদি শিবা হায়বদুমা মশানা তারবনি।

২৬-০৮-২০১২



CamScanner

## তাইবংপান্দা পেনজহৌ

জগৎ নুংশিবিরিবা প্রভু নঙদি
তোল-বা নচাশিংগী মরুপনি
ইলৈ লৈজদবা নচা ঐগীদি প্রভুতনি ।

লায়রবা মপোক পোকফদে
পিদৎ-পাদৎপা ওইফদে
খঙ-খঙনা নচা ঐবু পোকপিরে
লনায় ঐবু লঙথোকপিরে ।

মপোক ফনা পোকখিবা মখোয়দি
হৈ শিংবা ওইনরে
মবুদ্ধি লৈবনি হায়নরে
লাইরবা পুন্সি ঐদি পঙদানরে
চরা নামগী শুজরসু য়াংগঙনরে
জগৎ শিনবিরিবা প্রভু নঙদি
পেনদবা নচানা হায়জরি তাইবংপান্দা পেনজহৌ ।

২৬-০৮-২০১২



CamScanner

## ঐদি বনবাসতা চৎলবনি

লাইবক থিরবী লায়ররবী ঐদি
কনানসু নুংশিবিদে
নঙনসু নুংশিবিদে
নিংতম্মা লৈহৌরো ইনাকখুনবা নঙদি
ঐদি বনবাসতা চৎলবনি ... ।

নুজা ঐনা নঙবু নুংশিজরুবদি ময়েং তাবা নত্তে
থম্মোয় চেৎনা নুংশিজবনি
নঙগী চিংনবদুবু
নঙগী থাজবিদবদুবু
মীনুংশি হৈতবা হায়গদ্রা
লৌনম চাউবা হায়গদ্রা নঙনা খংখ্রে
ঐদি বনবাসতা চৎলবনি... ।

থম্মোয়নুংদা চাক্লিবা মৈচাকসে
পেনদবা অওয়াবা কয়াসে
কোকথোং ওইনা পুজখ্রগে
নঙদি নুঙাইনা লৈহৌরোকো
ঐদি বনবাসতা চৎলবনি ... ।

মুন্না খল্- - ঐবু থাজৌ
নঙগীদমক্তা
তাইবংগী হরাও নুঙাই পুম্নমক থনম্-বনি,
ঐগী নুংশিবা চরোং চরোং পুনশল-গা
য়েন্দাইদা হাপ্লুনা কৎচরম্-বনি,
মীনুংশি খংদবা নঙদি নুঙাইনা লৈহৌরোকো
চৎতবা য়াদ্রে লাইবক্লা তম্বা লম্বিদা
ঐদি বনবাসতা চৎলবনি ... ।

২৬-০৮-২০১২



CS CamScanner

## হাৎপগী পাও ইররোয় অতৈ

(মলেমগী নিঙতম লান্নী পুন্নমক্কী মফমদা)

অশিবগী লাইশোল শকলরোয় অতৈ
মোংফম মশিং কনানা থিবিগনী
অঙৌবা ফিরাল য়ুংখৎলরোয় অতৈ
শহীদশিংগী ঈগী মমল কনানা পিবিগনী ?

কায়গী ফিঙৌ লৈররোয় অতৈ
অশিবা মশিং কনানা থিবিগনী
চেক্কী মোংফম শাররোয় অতৈ
নিংশিংনিঙাই ফুরাদা কনানা লৈ কৎপিরগনী ?

মিছিলদা ডেউটি মশিং থিররোয় অতৈ
মীয়ামগী খোল-াও কনানা থিংবিগনী
হাৎপগী পাও ইররোয় অতৈ
অচুম্বগী ডেউটি কনানা চুখৎপিগনী ?

ইমাগী পিরাং তৈথোকলরোয় অতৈ
কলেজ কাবী ইচল অদো কনানা পানবিগনী
ঈ অমসুং মীৎকী পিরাং পুলহল-রোয় অতৈ
লম্বীদা তাহৌবা তাচৌগী ঈ অদো কনানা শেংদোকপিগনী ?

বুলেটকী মপাঙ্গল লৈরকত্রে অতৈ
কামানগী বোম কনানা থিংবিগনী
মখোয় পুন্নমকতো ইমাগী মচা নত্রবোয় অতৈ
মীয়ামগী খোল-াও নুপীলানগী খোল-াও নোংমদি শোয়দনা কানরক্কনি।

২৭-০৮-২০১২

## ঐগী শৈরেং-০২

অসিগুম্মা ক্যালেন্ডারগী চেমাইদগী
নোংমগী তৎতনা মকু কেনখিবগুম্মা কেন্খ্রগনী
থাশিং অমামম মাংখ্রগনি
চহী অমামম মাংখ্রগনি,
ক্যালেন্ডারগী চেমাই হোংদোকখ্রগনি চেকপনদগী
অসিগুম্মা চহী অমগী মতুংদা চহী অমমম মাংখ্রগনি
লোইননা নিংথিজখ্রবা মলেমসিদগী
পুন্সীসু কেন্খ্রগনি,
মরুপ মপিজা আরি-পুরীসু মাংখ্রগনি।

অসিগুম্মা চাকরীগি মতমসু লোইরকলগনি
পেনশনগী লুপা-পৈশাসু খৎনা-মুন্নরকলগনি
নঙগী নুংশিবসু ময়েং তারকলগনি
ক্যালেন্ডারগুম্মা ঐবুসু হোংদোকপিখ্রগনি
তাইবংগী থোঙ থোঙনাও পুম্নমক থিংখ্রগনি।

মলেমসিদা লৈহৌগদবদি ঐগী কনাসু নত্তে, ঐগী শৈরেংনি।

২৭-০৮-২০১২

# কবি

ঙাওত্রংননা কোয়চৎ চৎলিবা পাখং অদো
অঙাওবা নত্তে, মদু কবিনি ।

পোকপা শিবা, লুহোং খোঙদোং পুন্নমক
কোয়চৎ চৎতুনা ভাবক ওইবিরিবা অহল অদো
অঙাওবা নত্তে, মদু কবিনি ।

সমাজ অসিদা নোংমগী তৎতনা থোকলিবা
অশোই অরান উরুরগা
পেনদবা কয়া, নিংবা থুংদবা কয়ানা
থওয়ায় চাকমন্দুনা
ইজাতি কনসি, ইমালোন ঙাকসি নিংজদুনা
মিটিং মিফম খুদিংগী চৎপিরিবা অহল অদো
অঙাওবা নত্তে, মদু কবিনি ।

মহাক্তি ময়ুমদা হল-কলগা পুন্নমক ইশন্না থমবনি ।

২৭-০৮-২০১২

## তোম্বীগী মীনোক

লেম্বীগী মনাওনুপী তোম্বীনা ঐবু ইদোমতা উনবদুগা
হুরান হুরান্না মদোমতা হুরান মীনোক নোকই
উননিংই হায়দ্রিঙৈদনা উনবা ফংখিবনা হরাওমনখি
থৌশাবিদবা, মীনা নুংশিবিদবা ঐবু নোকতবা য়াখিদনা নোকচৈ ।

মহাক্না করিগী নোকপিখিবনো, করিগী ঐনা নোকখিবনো
করিমত্তা খংজনবিদনা তরাম্না ওকশিনবিখি
চিংনফম করি লৈরি তোম্বীগী মনুংদা ?

মদুবু মমোনমেলাগী পেনদবরো
নত্রগা নুংশিনবগী নুংশিমমি য়েক্লবদুরো
শেংলবা মীনোকদুগসু মহাক্কী খৌরাংবা
করম্বা লৌশিংগী লক্ল-থৌশাদবনো
চিংনফম করি লৈরি তোম্বীগী মনুংদা ?

৩১-০৮-২০১২



CamScanner

# অহ্নোক্লা পেনদেদা মনোরমা

হে ! মনোরমা, নখোয়গী মণিপুরসিবু
মীহাৎপগী লমদমরো
ইমা মণিপুরনা কনাদা তাথিখিবা লৈবগে ?
অদুক ওয়ারৌরিবা করি মরমদগীনো ?
ইমানা নাওকোনবদা মচা মখল নাইখিবরা
নত্রগা ইপানা কনাগী মচাদা তাথিখিবা লৈবনরা ?

নখোয়গী সদানন্দনা
নখোয়গী দেবীতানা
অদুক হরাওনা জগোয় শানা শক্লা লৈরিবদুবু
নঙবু কনবা ঙমহৌদবদি অহ্নোক্লা পেন্দেদা মনোরমা।

ঐখোয়না খম্বা থোইবী জগোয় শাহন্নবগী
অঙাং অনীখক কোয়থি-থিনসু থিবা ফংদে
নখোয়না খম্বা মরি থোইবি মরিনা
জগোয় শাদোক্লগা অদুক পেলহম্বা ঙম্বদুবু
নঙবু কম্বা ঙমহৌদবদুদি অহ্নোক্লা পেন্দেদা মনোরমা।

নোংমগী তৎতনা মোংফম থিনরিবসে
ঙসি মতম কুইরকলে
নোংমগী তৎতনা ইচল ইনাও হাৎলিবসে
ঙসি মশিং য়ামলকলে
ঐদি নখোয় ময়ামগী লমন তোনশিলে-
অহ্নোক্লা পেনদেদা, অহ্নোক্লা নুঙাইজদেদা।

৩১-০৮-২০১২



CamScanner

# ইমালোন ঙাংবা হৈতবদুবু

ইমালোন ঙাংবা হৈতবদুবু
করম্বা জাৎকী মমানা পোকপিখিবনো
করম্বা অকায়বা ক্ষেনফমদা পোকপিখিবনো
হন্দক্তি তোয় তোয়না খঙনিংঙকলে
ইমালোন তম্বা অঙাংশিংনা।

ইমালোন  ঙাংবা হৈতবদুবু
করম্বা জাৎকী মচা জাৎনো
করম্বা লমচৎ পামখিবননো
হন্দক্তি মীয়াম্না লম্বী লমখাংদা হংনরকলে
মসীবু মীতৈ মচারা নত্রগা ময়াং মচারানে ?

০২-০৯-২০১২

## তুংগী লম্বী ওইজহৌ

অশিবা তুরেলগী মবুক্তা
লঙোয়গী লঙোয়রক্তা
অতিয়া থন্না ঙাল-বা কোকথক্তা
চপ চানা মপুং ফারে
পূর্ণিমাগী থাজ মঙাল
চপ চারবা ক্ষেনফমনি
খোঙনেৎ মমি অমদি থনমলগে
লম্বী ওইজহৌ।

লৈ চন্দন পুদুনা চংশল-কইবা
অহলদুবু খুরমজহৌ
ধুপ প্রতিত হৈরাং লৈরাং পুদুনা
উজাও লাইরেম্বী লাইশংরোমদা
লাই কৎলুগে চৎলিবী মৌ নহাসে
কৃষ্ণ মচু খঙবা রাধাগুম্বনি
লম্বীদি অমত্তনি।

খোঙনেৎ মমি য়েংজহৌ তুংগী লম্বী ওইজহৌ।

০৭-০৯-২০১২

# লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা

ইমা নঙদি ওহ্নোক্লা তমথিরবা
নরাইবক খোমজন্দুনা
পোকলকখিবা ইমা মণিপুর ওইরমলবোয়রে
ইমা নঙনা নোংমগী তৎতনা পোকপিখিবদু
নোংমগী তৎতনা নঙগী নমাংদমক
হাৎখিবনা মশিং য়াম্-ম্নে- ।

মণিপুরী ঐখোয়গীদি
ইমা মশিং য়াম্বগী মথৌনি
ইচা মশিং য়াম্বগী মথৌনি
ইচিনাও  মশিং য়াম্বগী মথৌনি
কয়ানি হাৎকনি হিংচাবা মখোয়না
কয়ানি হাৎকনি নোংমগী কায়দনা
মণিপুরী ঐখোয়না কয়ানি কপ্পা খোংনা খাংগনি
কয়ানি ইচলনুপীগি পিরাং তৈথোকপিগনী
কয়ানি ইমাবু হিক্লা কপ্পা থেমবিগনী
নোংমদি শোয়দনা ঐখোয়সু মীহাৎপা ওইরক্কনি
ঐনা ঙমদ্রবসু ইচা ইশুনা
থাজৌকো ইমা
ঐনা হেক মীহাৎপা ওইররবদি
ইমা মণিপুর নঙগী তম্পাক্তা
মীহাৎপগী লীলা লোয়রগদবনি
মদুদি ঐ পামদে ইমা, নঙনা হায়বিরম্মু
ইচিনাওশিংগী  মোংফমদা লৈ কৎলুরা নত্রগা থাং কৎলুরা ?

১৫-০৯-২০১২



সনাতন হামোম

মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ উপজেলা মনুং চনবা হামোমখুলদা ১৯৬০ খ্রিঃ গী মে ১৯ তারিখতা পোকপনি। অপোকপা পম্থৌ অদুঙৈগী তেতইগাঁও পাবলিক হাইস্কুলগী মকোক চিংবা ফাউন্ডার মেম্বার ওইবিরম্বা হামোম চাউবা অমসুং মহাকপু নাউকোম্বিবা পলেমদি লৈনুংশী কৌই।

চহী কুন্থ্রানিথোয়রোম মীরোল মরক্তা সরকারগী থবক তৌবিরম্মি। হৌজিক্তি পেনশনাররনি। ফোংখ্রবা শৈরেং লাইরিক ইমালোন্না অহুম, বাংলালোন্না অহুম। বাংলাদেশকী মনিপুরী সাহিত্যদা ইহৌ-ইপোম কাহল্লকখিবা পনবা য়াবা সাহিত্য চেফোং "ইপোম"গী অয়াম্বা সম্পাদনা তৌখি।

সনাতন হামোম বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ কমলগঞ্জ মশা ফুরূপকী হৌদোরকপা মতমগী জেনারেল সেক্রেটারী ওইরম্মি অমসুং হন্দক্কী টার্ম অসিদা অমুকহন্না জেনারেল সেক্রেটারী ওইরি। হৌজিক্না 'মণিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ' ১মসুং 'মণিপুরী ভাষা গবেষণা ও উন্নয়ন সংস্থা, সিলেট'- সংগঠন অনিমক্কী জয়েন্ট সেক্রেটারী ওইনা থবক পুবিরি। লোয়নননা অতৈ সংস্থান কয়াতংগসু মরি লৈনরি।

লোয়নবী উষা হামোম প্রাইমারী স্কুল অমদা ওজা ওইরি। ঐশী হামোম অমসুং সাগর হামোম মচা অনিনি। লাইরিক লাইশু তমথনরি।

CamScanner